


# ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স – এন পি এস তি)

**Manipuri / মণিপুরী**

*এন পি এস তি লমজিং-লমতাক্লিবা চেৱোল, 2023*

## পেৰা 5.20, এন ই পি 2020

*“ওজাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স - এন পি এস তি)গী খ্বাই পূম্বগী ওইবা লমজিং-লমতাকপগী ৱারোল অমবু নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেশন্না জেনেরল এজুকেসন কাউন্সিল (জি ই সি) গী মখাদা, এন সি ই আর তি, এস সি ই আর তি শিং, লৈবাক শিনবা থুংনা থাক কয়াদা লৈরিবা ওঝাশিং, ওঝা পুথোকপা অমসুং শেমগৎপদা থৌদাং লৌরিবা অখণ্ড-অহৈশিংগী লূপশিং, ভোকেস্নল এজুকেসনগী এক্সপর্ত বোদিশিং অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-তক্ষমশঙশিংগা তান্নরগা প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দ সেত্তিং বোদি (পি এস এস বি) হায়না নৌনা শেমদোল্লবা মওং অমদা ইং 2020 দা পুথোল্লগনি। চৎনবী মচাংশিংসিনা খঙ-হৈবগী/রেঙ্কী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা লৈবা ওঝাগী মথৌদাংদা পাম্লিবশিং, অমসুং থাক অদুগী মথৌ তারিবা মতীক-মঙমশিংদু কোনশিনগনি। থাক খূদিংমক্কী ওইনা, মতম মতমগী ওইনা পাংথোক্কদবা পর্ফোমেন্স এপ্রাইজেলগী চৎনবী মচাংশিংসু য়াওগনি। এন পি এস তি না প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন প্রোগ্রামশিংগী দিজাইনসু তাক্কনি। মসিবু কোন্না স্তেতশিংনা চৎনহন্নবা শীনবা য়াগনি অদুগা ওঝাগী করিয়র মেনেজমন্তকী আস্পেক্ত পূম্নমক হায়বদি থবক পুবগী মতম, শিনফমগী ওইনা চাওখৎনবা হোৎনবশিং, তোলোব হেনগৎপা, ফম কাবা, অমসুং অতৈ ইকাইখুম্নবা উত্তুনা শকখঙবীবশিং য়াওনা লেপথোকপা ঙমগনি। ফম কাবশিং অমসুং তোলোব হেনগৎপশিংসি থবক তৌরকপগী মতম নৎত্রগা সেনিয়রিতিদা য়ূম্ফম ওইরোই, তৌইগুম্বসুং মসিগুম্বা অপ্রাইজেলথক্তদা য়ূম্ফম ওইরগা তৌগনি। শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং)সি ইং 2030 দা য়েংশিনগনি অমসুং শেমদোক্কনি, অদুগা মতুং তারকপদদি, সিস্তমগী কান্নবদু কূপ্না নৈনবদা য়ূম্ফম ওইরগা, চহী তরা তরা খূদিংগী তৌগনি।”*

*“অফবা ইন্সটিট্যুসন অমা হায়বসিমক্তবু মহৈরোই খূদিংমক্না মপূক্লিংদা মখোয়বু তরাম-তরাম্না ওকপীবা অমসুং চেকশিন্না শেন্নবীবদু ফাওবগা লোয়ননা মদুদা তেক্ত-কায়দনা শাফবা অমসুং মহৈ তম্নীংবগী ইহুল পোকহনবা ঙম্বা অকোয়বগী ফিভম লৈবা, তোঙান-তোঙানবা মখল-মখাগী মহৈ কয়া তমশিল্লগা খঙলক-হৈরক্নবগী খুদোংচাবশিং ফংবা য়াবা, অমসুং অফ-অফবা ইনফ্রাস্ত্রকচর অমসুং তম্বদা মতেং ওইগদবা চূনবা মচাকশিং ফংবা য়াবা অদুগুম্বা মফমদুনি। মসিগী গুনশিংসিবু ফংবা ঙম্বসি মহৈ-মশিংগী ইন্সটিট্যুসন খূদিংমক্কী পান্দম ওইগদবনি। অমরোমদা, মসিগা লোয়ননা, ইন্সটিট্যুসনশিংগী মরক্তা অমসুং এজুকেসনগী থাক পূম্বদা অপন-অরাক লৈতনা অমত্তা ওইনা পূল্লগা থবক তৌমিন্নবসু তাই।”*

*“A good education institution is one in which every student feels welcomed and cared for, where a safe and stimulating learning environment exists, where a wide range of learning experiences are offered, and where good physical infrastructure and appropriate resources conducive to learning are available to all students. Attaining these qualities must be the goal of every educational institution. However, at the same time, there must also be seamless integration and coordination across institutions and across all stages of education”.*

**Dharmendra Pradhan**
Hon'ble Education Minister
Skill Development and
Entrepreneurship
Government of India
Shastri Bhawan
New Delhi-110001

सत्यमेव जयते

**ধর্মেন্দ্র প্রধান**
ইকাইখুম্নরবা এজুকেসন মিনিস্তর
স্কিল দেভলপমেন্ত অমসুং
এন্ত্রপ্রিউনরশিপ
ভারত সরকার
শাস্ত্রি ভৱন
ন্যু দিল্লি -110001



## পাউজেল

নেস্নল এজুকেসন পোলিসি 2020 (এন ই পি 2020) না লৈবাক্কী মহৈ-মশিল তম্বগী থ্বাইদগী ফবা লম্বীরোমদা চঙশিন্নবগী লমজিংবা অমা ওইনা মথৌ তৌগনি। মসিগী মাংজৌননা থনবা ৱাখলগী মতেংনা, মসিনা তীচর এজুকেসন সিস্তমগী লম্বী অমা য়াৎলি অমসুং মদুনা লৌশিংথক্তা পীবা নত্তনা তম্বগী, ক্রিতিকল থিঙ্কিংগী, অমসুং ক্রিএতিভিতিগী ৱাখল হায়বদি 21 শুবা চহী চাগী শীংনরক্লিবশিং অমসুং খুদোংচাবশিংগীদমক্তা ওঝাশিংবু শেমগৎপদা তঙাইফদনা চঙগদবা গুনশিং পোকহল্লি।

তুংলমচৎকী মীরোলশিংগী পূক্নিংবু শেমগৎ-শাগৎপদা ওঝাশিংনা লৌরিবা মরুওইরবা থৌদাংদুবু ইকাইখুম্নরদুনা, পোলিসি অসিনা ওঝাশিংদা দরকার ওইবা তূলশিং অমসুং লৌশিং পীবসি থ্বাইদগী তঙাইফদবনি হায়বসি খঙই। ওঝাশিংগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং) অসি তশেংনা কান্নগদবা তাকপী-তম্বীবগী থবকশিং পাংথোক্লবগী পূক্নিংদা থল্লিবশিং অমসুং লমজিং-পথাপশিং লেপ্লগা অফবা মহৈ পীনবগীদমক তঙাইফদনা চঙই। মসিগী স্তেন্দর্দশিংসিনা ওঝাশিংগী হৈ-শিংবা, লৌশিং, অমসুং মতীং শেমগৎপদা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি।

নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি তি ই)না ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং হায়বদি নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি) কৌবা লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) অমা শেমগৎলে। মসিনা লমজিং-লমতাকপগী ৱারোলশিং, পাংথোক্কে থল্লিবা থৌদাংশিং অমসুং মতীংশিংবু ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা অমদি লৌশিংগী তাঙ্কক কয়া অমদি প্রোফেস্নল করিয়র অমগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা ওঝা অমগী থৌদাংদা শাগোন্নরক্লবা মতীক-ময়াইশিংগী অশুপ্পা ৱারোল অমা ওইগনি। অসুম্না, প্রোফেস্নল করিয়র অমনা খঙ-হৈরবা অমসুং খুমাং চাওশিল্লক্লিবা তম্বীবগী শাফূ অমা য়োকখৎনবগীদমক চাংদম্নফম অমা ওইনা মথৌ তৌই।

ঐনা চেৎনা থাজে মদুদি, লেপ্তনা হোৎনরিবশিংসিনা, ঐথোয়গী লৈবাক অসিগী মহৈ-মশিলগী উরিবা শক্তমসিনা তুংগী লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংদা কান্নবা পীগদৌরিবা অফবা য়াওলশিং লাকহনগনি।

**ধর্মেন্দ্র প্রধান**

## পাউজেল



**অন্নপূর্ন দেবী**
ইকাইখুম্নরবা এজুকেসনগী
স্তেত মিনিস্তর
মহৈ পোংবশঙ (মিনিস্ত্রি ওফ এজুকেশন)
ভারত সরকার

ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং, হায়বদি নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি)না তম্বীবগী শিনফমবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমসুং মীপূম থৃদিংমক্তা অফবা এজুকেসন পীনবগীদমক কথোকপদা শিংথানিঙাই ওইনা মশক নাইরবা শক্তম অমা শাগৎলি। এন পি এস তি লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) অসি কৃপ্পা থন্ন-নৈনবা, থিজিন-হুমজিনবা, অমসুং এজুকেতরশিং, এক্সপর্তশিং, এক্সপর্ত বোদিশিং, অমসুং লমসিদা থবক তৌরিবা অতৈ স্তেকহোলদরশিংগা থৃৎশন্নদুনা শেমখি। অসিগুম্বা স্তেন্দর্দশিং অসিনা 21 শুবা চহী চাদা কান্নবা মওংগী তম্বীববু তাক্লিবা তঙাইফদ্রবা লৌশিং, হৈ-শিংবা অমসুং পূক্নিংগী ইহুলশিংবু ফোঙদোকই। এন পি এস তি লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) অসিনা ওঝাশিংগীদমক ময়েক শেংলবা আশাশিং পীবথক নত্তনা লমচৎ-শাজৎ অমসুং হৌন-লোনচৎ, সবজেক্ত মনুং থিৎনা থঙবা অমসুং করিয়র মেনেজমন্ত লেপ্তনা চাওখৎহন্নবগী নাৎপুসু য়োকখৎলিবা মচা তারবা ফ্রেমৱার্ক অমা পীরি।

ঐনা অসিগুম্বা স্তেন্দর্দশিংসি শেমগৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌথিবা নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি তি ই) অমসুং স্তেকহোলদর পূম্নমক্তা ঐগী থম্মোই শেংলবা থাগৎৱারোল ফোঙদোকচরি।

---

## পাউজেল




**সঞ্জয় কুমার আই এ এস**
সেক্রেতরি
স্কুল এজুকেসন অমসুং লিতরেসিগী দিপার্তমেন্ত
মহৈ পোংবশঙ (মিনিস্ত্রি ওফ এজুকেশন)
ভারত সরকার

নেস্নল এজুকেসন পোলিসি 2020 (এন ই পি 2020) না ভারতকী ওঝাশিংগীদমক তাকপী-তম্বীবগী লমদা অনৌবা য়াওলশিং পুরক্লে। মীপূম থৃদিংমক্কী মপূং ফাবা অমসুং মগুন লৈবা মহৈ-মশিল তম্বগী পান্দম ফংবা ঙম্নবগীদমক, পোলিসি অসিনা তাকপী-তম্বীবগী শিনফম্না থুমাং চাওশিল্লক্নবগীদমক অথন্নবা মীৎয়েং থল্লি অমসুং ওঝাশিংবু শেমদোক-শাদোক্লিবা পূম্নমক্কী ময়াই চবুক্তা থল্লি। নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি তি ই) না এন ই পি 2020 গী পান্দম পূম্নমক পূক্নিংদা থল্লগা ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং হায়বদি নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি) গী নিংথিনা য়াথোক্লবা অপূনবা শকওং অমা পুরক্লবগী মচা থায়বা লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) অমা পুথোকখ্রে। তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদরশিংগা কয়ারক হন্না থন্ন-নৈনখিবশিং/তাথোক-তাশিন তৌনখিবশিং অমসুং থৃৎশন্নখিবশিংদুদা য়ূম্ফম ওইরগা, মসিগী চেরোল (দোকুমেন্ত)সি বতম-অপ-অপ্রোচ অমা অমসুং থিজিনখিবগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংগী মতুং ইন্না শেমখিবনি। ঐনা লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) অসিনা ওঝাশিংগী থঙ-হৈবগী মতীং চাওখৎহনবদা অমসুং মথোয়বু মালেমগী স্তেন্দর্দশিংগা মান্নবা ওঝাশিং ওইবা ঙমহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি হায়না থল্লি।

ঐনা থবক অসিদা শরুক য়াখিবা এন সি তি ই অমসুং স্তেকহোলদর পূম্নমক্কী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**পাউজেল**



**প্রোফ. য়োগেশ সিংহ**
চেয়রপর্সন, এন সি তি ই
ন্যু দিল্লি

এন ই পি 2020 না ওঝাশিংনা তৌগদবা থবকশিং অমসুং 21 শুবা চহী চাগী লৌশিংগী পুক্কেবু তাক্লিবা মতীক-ময়াই লৈনা তাকপী-তম্বীবা হায়বসিদা মীৎয়েং থল্লি। ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং হায়বদি নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি) গী লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) শেমগৎলিবসিনা ঐখোয়গী মহৈরোইশিংগী মহৈ-মশিল তম্বগী পান্দমশিং ফংহন্নবগীদমক হৈ-শিংলবা ওঝাশিং শেমগৎপদা পান্দম থল্লি। এন পি এস তি না ওঝাশিংগীদমক থবক্তা অমসুং লমচৎতা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা পুরক্নবগী প্লেতফোর্ম অমা পীরি। এন পি এস তি দা পল্লিবা খ্বাই পূম্বগী স্তেন্দর্দশিংদুনা ওঝাশিংগী লমচৎ-শাজৎ অমসুং হৌন-লোনচৎ, সবজেক্ত মনুং খিৎনা খঙবা, শিনফমগা মরী লৈনরিবশিং, অমসুং শিনফম্না খুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওখৎনবগী থৌরাংদা মীৎয়েং থল্লি।

ঐনা স্তেকহোলদর পূম্নমক্কা পূল্লপ চঙশিনমিন্নরগা খ্বাই পূম্বদা মগুন লৈবা মহৈ ফংহন্ননবা মতীক-ময়াই হেনগৎহন্নবগী মায়কৈরোমদা মাংলোমদা মীৎয়েং থল্লি।

---

**পাউজেল**



**কেসাং ৱাই. শেরপা**
**আই আর এস**
মেম্বর সেক্রেতরি,
এন সি তি ই,
ন্যু দিল্লি

নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি তি ই) না স্তেতুতোরি বোদি অমা ওইনা ভারতকী ওঝাশিংদা তাকপী-তম্বীবগী মগুন হেনগৎহন্নবগীদমক থৌরাং কয়ামুক পায়খৎখ্রে। এন ই পি 2020 না য়াম্না ফবা ওঝাশিংসিবু মতীক-ময়াই লৈনা লাইরিক তাকপী-তম্বীনবগী অমসুং তম্বগী থবক্তা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা মচাক অমা ওইনা লৌরি। মসিগা মান্নবা মওংদা, এন সি তি ই না, এন ই পি 2020 গী পেরা 5.20 দা পল্লিবগুম্না, ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং, হায়বদি নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি) গী লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) অমা পুথোকখ্রে। লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল অদুদা পীরিবা স্তেন্দর্দশিংদা, 21 শুবা চহী চাদা নিংখিজনা তাকপী-তম্বীনবগী মায়কৈরোমদা চঙশিন্নবা ওঝাশিংনা করি করি খঙবগী মখৌ তাগনি, মখোয়না করম্না মখৌ তৌগনি অমসুং মখোয় মখোয়গী পায়রিবা শিনফমদু চাওখৎনবগী মরমদা মচা খায়না তাক্লগা ওঝাশিংগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং)গী ওইবা তেবল অমা য়াওরি। এন পি এস তি না ওঝা অমগী মফমদগী মাগী খঙজ-হৈজবগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা অমসুং/নৎত্রগা শিনফম পায়বগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা থেংনরকপা আশা তৌনিঙাই ওইবশিং অমসুং মতীক-মঙমশিংদু কোনশিনগনি।

এন পি এস তি গী লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল অসিবু শেমগৎপগী অমসুং শকওং য়াথোকপগী থবক্তা শৌগৎপীরকখিবা ঐগী ইথক থোংবশিং অমসুং ড্রাফ্টিং কমিতিগী মীহুৎ পূম্নমকপু ঐনা ইকাইখুম্নবা উৎচরি। এন সি তি ই গী অপূনবা কাঙবুদা ঐনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

# য়াওফম তাকপা


| মথং-মনাও | য়াওরিবা হীরমশিং | লামায় |
|---|---|---|
| 1 | **ৱাহৌদোক** | **1** |
| **2** | **তাকপী-তম্বীবাঃ শিনফম অমা** | 3 |
| 2.1 | শিনফম অমা ওইনা তাকপী-তম্বীবা | 3 |
| 2.2 | শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং) বু থঙবা | 5 |
| 2.3 | ওঝাশিংগী অমসুং তাকপী-তম্বীবগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং) গী মরুওইবা | 5 |
| **3** | **ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর় তীচর্স - এন পি এস তি)** | **7** |
| 3.1 | এন পি এস তি গী নঙ্কবা মরীশিং | 7 |
| 3.2 | ওঝাশিংগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং) | 9 |
| 3.3 | থঙ-হৈবগী মতীকপু থুমাং চাওশিনহনবা অমসুং চাওথৎহনবা | 12 |
| 3.4 | ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর় তীচর্স) | 14 |
| **4** | **ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিংগী ফ্রেমৱার্ক (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর় তীচর্স ফ্রেমৱার্ক)** | **15** |
| 4.1 | স্তেন্দর্দ 1: মরুওইবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং হৌন-লোনচৎশিং | 15 |
| 4.2 | স্তেন্দর্দ 2: লৌশিং অমসুং থবক পাংথোকপা | 15 |
| 4.3 | স্তেন্দর্দ 3: শিনফমগী থুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওথৎপা | 16 |
| **5** | **চৎনহনবা (ইমপ্লিমেন্তেসন)** | 23 |
| 5.1 | থৌরাং য়াথোকপা (প্লান ওফ এক্সন) | 23 |
| 5.2 | শীজিন্নবা য়াবগী চাং | 24 |
| 5.3 | মতম মতমগী য়েংশিনবা (পেরিওদিক রিভিয়ু) | 24 |
| **6** | **এন পি এস তি ফ্রেমৱার্ক তা য়ূম্ফম ওইরিবা এসেসমন্ত তূলশিং (ৱা হৌদোকপা)** | **25** |

| | | |
|---|---|---|
| 7 | এন পি এস তি  দা নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি (এন সি তি ক্যু)  গী দিজিতল ইনফ্রাস্ত্রকচর প্লান | 35 |
| 8 | উৎতুনা তাকপশিং (ইল্লস্ত্রেসনশিং)গী মমিং পরেং | 37 |
| 9 | শল্লা থঙনরিবশিং（এব্রিভিএসনশিং） | 38 |
| 10 | লাইরিকশিংগী মমিং পরেং | 39 |
| 11 | এন পি এস তি  এক্সপর্ত কমিতি | 40 |

# 1. ৱাহৌদোক

নেস্নল এজুকেসন পোলিসি 2020 (এন ই পি 2020) না ওঝাবু ভারতকী এজুকেসন সিস্তমদা ফন্দামেন্তল রিফোর্মশিংগীময়াইদা থম্মী। এজুকেসন হায়বসি নাগরিক খুদিংমক্কী পুন্সিদা অওনবা পুরক্লিবা লেপ্তনা চত্থরিবা থৌওং অমনি, অমসুং ওঝানা থৌওংদুদা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌই। ওজাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং হায়বদি নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি) না মহৈরোই পুন্নমক্তা য়ারিবমথৈ খ্বাইদগী ফবা এজুকেসনবু চাং মান্ননা ফংহনগনি হায়বা এন ই পি 2020 গী পান্দমশিংবু মপূং ফানা ফংহন্নবা হোৎনরি। এন পি এস তি না থাজবা পীরি মদুদি ওঝা পুন্নমক স্কুলগী থাক পুন্নমক্তা মহৈ-মশিল তম্লিবা পুন্নমকপু তম্বীনবগীদমক থৱায় য়াওবা, মতীং লৈবা, য়াম্না মতীক চারবা, নিংথিজনা শেম-শারবা, অমসুং থৌরাং তৌরবা ওইগদবনি। মরম অদুনা, তাকপী-তম্বীবদা খ্বাইদগী অথোইবা লৌশিংবু চিংথোকপা হায়বসি মতমসিগী তঙাইফদবনি।

এন পি এস তি না তোঙান-তোঙানবা শিনফমগী তাঙ্ককশিংদা ওঝাশিংগী মগুনশিংবু মশক থঙদোকপদা লায়থোকহল্লি। মসিগীসু মথক্তা, মসিনা ওঝা পুন্নমক্কী তৌরিবা থৌরাং, মথৌ অমসুং তাকপী-তম্বীবদা অকনবা মীৎয়েং থম্মী। মশক নাইরবা অমসুং মরী লৈনবা থৌশিলশিংসি, এজুকেসন সিস্তমবু লমজিংগদৌরিবা অমসুং মীপূম খুদিংমক্তা মতীক চানা মহৈ-মশিল তম্বীনবগীদমক এন ই পি 2020 গী পোলিসি হৌদোকপগী মঙলান (পোলিসি ইনিসিএতিভ ভিজন)বু ঙাক্নৌ পীগদৌরিবা, ফন্দামেন্তল এন ই পি 2020 গী প্রিন্সিপলশিংগা থাক অমদা লৈ। এন পি এস তি না প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন প্রোগ্রামবু শেম-শাবা অমসুং তীচর করিয়র মেনেজমন্তকী শক্তম পুন্নমক লেপথোকপদসু মতেং পাংগনি।

মহৈরোইশিংনা ওঝাশিংদা অহেনবা লৌশিং তানশিনহনবদা হোৎনথিবশিংদুগী মহৈদু ফংগনি। ওঝাশিংগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং)না তোঙান-তোঙানবা শিনফমগী তাঙ্ককশিং অমসুং লৌশিংগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা ওঝাশিংদগী পাম্লিবা, লোয়ন-লোয়ননা খুদিংমক্কী মথৌ তারিবা মতীংদুবু কোনশিনগনি। শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং)দু জাতিগী থাক্তা ইং 2030 দা অমুক হন্না য়েংশিল্লগা শেমদোক্কনি অমসুং মদুগী মতুংদগীদি চহী তরা তরা খুদিংগী সিস্তমসিগী পাম্লিবা মহৈদু ফংলিব্রা নৎত্রগা ফংদব্রা হায়বদুগী মতাংদা থেংন-উরকপদগী খঙলকপশিংদু কুপ্না নৈনবা, হায়বদি এম্পিরিকল এনালিসিসতা য়ুম্ফম ওইরগা শেমদোক্কনি।

নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি তি ই) হায়বসি নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন এক্ত, 1993 (এন সি তি ই এক্ত, 1993) না শেমথিবা স্তেতুতোরি বোদি অমনি। মসিনা প্রি-সর্ভিস অমসুং ইন-সর্ভিস অনীমক্তা লৈরিবা ওঝাশিংগী শেম-শারবা অমসুং অমগা অমগা তেংবাঙনদুনা চাওখৎপগা লোয়ননা তৌফম থোকপদু লৈবাক শিনবা থুংনা পাংথোক্কনি। এন পি এস তি অসি মিনিস্ত্রি ওফ এজুকেসন (এম ও ই)গী য়াথং অমা ওইনা বজেত 2021 দা লাউথোকখি অমসুং এন সি তি ই দা থবক অসিবু পাংথোক্লবগী থৌদাং অদু শিন্নখি। এন পি এস তি গী তোঙান-তোঙানবা মশক-মওংশিংসিদা স্তেকহোলদরশিংদগী ফংলকপা ইনপুত অমসুং ফোঙদোরক্লিবা অনীংবা-অপাম্বশিংদুদা য়ুম্ফম ওইরগা এন পি এস তি দোকুমেন্ত শেম্ননবগীদমক এক্সপর্ত কমিতি অমা শেমখ্রে। এপ্রিল 2021 দা MyNEP2020 portal দা, দোকুমেন্ত অদুবু শেম-শাবদা পুন্নমক্কী ওইনা মান্নবা পুরক্লগীদমক বতম-অপ অপ্রোচকী মখাদা অনীংবা-অপাম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লবা/ইনপুতশিং পীরক্লবগীদমক, অহানবা তাঙ্কক্কী থিজিনবগী থবক অদু দিজিতল কন্সলতেসনগী মতেংনা পাংথোকখ্রে।

মথা তারকপা ওইনা, তোঙান-তোঙানবা দোমেইনশিংগী থনগৎলবা তার্গেত ওদিএন্সকী মরক্তা ক্বেসনেয়র

অমগী মতেংনা অনীংবা-অপাম্বশিং/ইনপুতশিং পীরক্লবগীদমক অনীশুবা তাঙ্কক্কী থিজিনবদু পাংথোকখ্রে।

লৈবাক মরিগী এন পি এস তি দোকুমেন্তশিংবু চাংদম্নদুনা নৈনবগী পাউদম অমা মালেমগী ওইনা থ্বাইদগী ফবা থবকশিংদু লেপথোক্লবগীদমক শেম-শাবা লোইখ্রে। এক্সপর্ত কমিতিনা থন্ন-নৈনবা অমসুং অমুক হন্না য়েংশিনবগী থবক কয়া পায়খৎতুনা, এন পি এস তি গী অহানবা অইবা ৱারোল (প্রিলিমিনরি দ্রাফ্ট) অমা ইখ্রে অমসুং মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বশিং পীরক্লবগীদমক নভেম্বর 17, 2021 দা এন সি তি ই ৱেবসাইত অমদি MyGov পোর্তলদা ফোঙদোকখ্রে। মতম অসিমক্তদা, একাদেমিসিয়নশিং, এজুকেস্নল এদমিনিস্ত্রেতরশিং, তীচর এজুকেতরশিং, এচ ও দি, এস সি ই আর তি, দি আই ই তি, প্রিন্সিপালশিং, ওঝাশিং (পব্লিক/প্রাইভেত), এন জি ও, অতোপ্পা স্তেকহোলদরশিংগা লোয়ননা ওপন হাউস দিসকসন 15 থক, গ্রাউন্দ লেভল ফঙ্কসনরিশিংদগী এন পি এস তি গী অহানবা অইবা ৱারোলদুদা পীরকপা ইনপুত/ৱাখল্লোনশিংদু লৈবাক শিনবা থুংনা থোমজিন্নবগীদমক পাংথোকখ্রে।

মতম অসিমক্তদা, অহানবা অইবা ৱারোলদা শন্দোক্লা পীরিবা ৱারোলশিংগী ইনপুতশিং পীরক্লবগা লোয়ন-লোয়ননা এন পি এস তি দোকুমেন্ততা পল্লিবা ৱাফমশিংদুগী অফ-ফত্ত অমসুং থন্ন-নৈননবগী থূৎশু-থুৎলাইশিং/পাম্বৈশিংগী মতাংদা অনীংবা-অপাম্বশিং ফোঙদোরক্লবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংবদা লৈরিবা ওঝাশিং, প্রিন্সিপালশিং, দি আই ই তি, এস সি ই আর তি গা লোয়ননা ইন-হাউস কন্সলতেসন 5 রক পাংথোকখ্রে। অহুমশুবা তাঙ্কক্কী থিজিনবগী থবক ওইনা, স্তেকহোলদরশিংগী ইনপুত/ অনীংবা-অপাম্বশিংদু এন পি এস তি গী অরোইবা অইবা ৱারোল অমা শেম্নবগীদমক শীজিন্নথি অমসুং মার্চ 29, 2022 দা এন পি এস তি গীদমক শেমথিবা কমিতিদা থূৎশিন্নথি, অদুগা মসিবু ফিল্দ ত্রাইঅল ভর্সন ওইনা অয়াবা পীথি। এন পি এস তি গী লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল চৎনহনবা (গাইদিং দোকুমেন্ত ইমপ্লিমেন্তেসন) অমসুং তুংকোইনগী মহৈ ফংনবা মতীক-ময়াই নৈনবসি লৈবাক শিনবা থুংবদগী ওঝা 1175 গা লোয়ননা সেন্ত্রল গভর্নমেন্তনা চলাইবা স্কুল 75 (কে ভি এস 25 + এন ভি এস 25 + সি বি এস ই 25)দা চাংয়েং তৌবা হৌখ্রে।

এন ই পি 2020 গী পন্দুপ 5.20 দা ফোঙদোক্লিবা অদুগুম্না, ওজাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তিচর্রস- এন পি এস তি) না মহৈ-মশিল তল্লিবা পূম্নমক্কী থ্বাইদগী অথোইবা এজুকেসনবু চাং মান্ননা ফংহনবদা পান্দম থল্লি। এন পি এস তি গী লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকেমেন্ত) অসি থৱায় য়াওরবা, ইথিল ফংলবা, মতীক চারবা, শিনফমগী ওইনা ত্রেইনিং ফংলবা, অমসুং লৌশিং লৈরবা ওঝাশিংনা মহৈরোই পূম্ববু তাকপীরিবা, স্কুল এজুকেসনগা মরী লৈননা এন ই পি 2020 গী পান্দমবু ফংনবগীদমক পুথোকখিবনি। মসিনা তীচর করিয়র মেনেজমন্ত অমসুং অতোপ্পা শকথঙলবশিংগী মশক-মওংশিংবু থঙদোক্লবা পান্দম থল্মী। মসি মতীক-মগুনগী ৱারোল অমনি অমসুং মসিনা তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা/থাকশিংদা ওঝাশিংগী মতীক-ময়াইশিংবু তাক্লি।

দিজিতল প্লেতফোর্ম অমা ওইরিবা নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি (এন সি তি ক্যু) অসি এন সি তি ই দা লিংখৎখ্রে, মসিদা এন পি এস তি না মথৌ তৌনবগী থৌদাং লৌরিবা নেস্নল রিপোজিতরি লৈগনি। মথা তারকপা ওইনা, রিসোর্স পর্সনশিংগী/এজেন্সিশিংগী মশীং হেনগৎহন্নবগীদমক স্তেকহোলদরশিংগী/ইমপ্লিমেন্তিং এজেন্সিশিংগী কেপাসিতি বিলদিং প্রোগ্রামশিং পায়খৎলগনি।

স্তেতশিংগী/য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী লৈঙাক্লা স্তেন্দর্দশিং শেমজবা য়াই অদুগা মহৈশঙ (ইন্সতিত্যুসন) শিংনা অনৌবা পেদাগোজিগী স্কুল স্ত্রকচর (5+3+3+4) গী মতুংইন্না ওঝাশিংগী পাল্লিবা হৈ-শিংবশিংদু ফংনবগীদমক মসিগুম্বসি চৎনহনবা য়াই।

# 2. তাকপী-তম্বীবাঃ শিনফম অমা

## 2.1 শিনফম অমা ওইনা তাকপী-তম্বীবা

তাকপী-তম্বীবা হায়বসি মালেম পূম্বদা খ্বাইদগী থোইহেল্লবা শিনফমশিংগী মনুংদগী অমা ওইনা লৌনৈ অমসুং মসি থুনাই চাওখৎলকপগা মরী লৈনৈ। মমাংঙৈগী মতমদা, ওঝাসি থুনাইগী খ্বাইদগী ইকাইখুম্নবা মীশক ওইরম্মী, অদুগা খ্বাইদগী মহৈ-মশিল হৈরবা মীশিংবু শিনফম অসিদা চঙবগী অয়াবা পীরম্মী। ওঝাশিংনা এজুকেসন সিস্তমগী ময়াই চবুক্তা লৈরম্মী অমসুং মথোয়গী লৌশিং, হৈ-শিংবা অমসুং হৌন-লোনচৎশিংদু খ্বাইদগী ফবা মওংদা মহৈরোইশিংদা পীবগী মথৌ তারম্মী। এজুকেসন সিস্তমগী য়াওল অমসুং ওঝাশিংগী হোংলক্লিবা থৌদাংগা লোয়ননা, ওঝাগী মগুনবু হেনগৎহনবা হায়বসি লৈবাক্কী চাওখৎপবু তুং কোইনা ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক খ্বাইদগী মরুওইরবা থবক অমা ওইরকই। থুনাইগী থবক অমসুং থুনাইবু থিজিন-হুমজিনবগী মওং অমা ওইনা, তাকপী-তম্বীবা হায়বসি য়াম্নমক হৌন-লোনচৎ থঙবা অমসুং চৎনবীগী থবক অমা ওই, মসিদা প্রোফেস্নলশিংনাঃ

- অঙাংশিংবু শেন্নবা অমসুং মথোয়গা নুংশিনা লোয়নবা, মহৈরোইশিংগী দাইভর্সিতিবু ইকাইখুম্নবা, থুনাই, নাৎ, অমসুং লৈঙাক্লোনগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু থঙবা, মথোয়গী তঙাইফদবা অমসুং অয়েৎ-অপনশিংবু থঙহন্নবা হোৎনবা অমসুং অঙাং পূম্নমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবগী মথৌ তাই।
- অঙাংশিংবু লৌশিংগী পেসিভ রিসিভরশিং ওইনা উদবা, ৰাহন্থোকশিংবু শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক মহৌশাগী ওইবা মথোয়গী পামজবশিংবু য়োকখৎপীবা, চিনফা পুহন্দুনা তম্বগী মওংবু শৌগৎতবা, অমসুং তম্ববু নুংঙাইহনবা, শরুক য়াহনবা, অমসুং হেন্না ৰাহন্থোক লৈহনবগী মথৌ তাই।
- করিক্যুলম অমসুং তেক্সবুকশিংবু কূপ্না য়েংশিনবা অদুগা লম লমগী তঙাইফদবশিংদুগা চূননা করিক্যুলম শেম্বগী মথৌ তাই।
- লৌশিংবু করিক্যুলমদা য়াওরবা, 'পীরল্লবা' ওইনা লৌদবা।
- শান্ন-খোৎনবা, প্রোজেক্তশিং, থন্ন-নৈনবা, ৰারী-ৰাতাই শান্নবা, মুন্না য়েংবা, কোয়থোক-খোত্তোকপা য়াওনা - লর্নর-সেন্তর্দ, এক্তিভিতিদা বেজ তৌবা, পার্তিসিপেতরি লর্নিং এক্সপিরিএন্স অমসুং মথোয়গী তৌরিবা থবক্তুদা মমি তাহন্নবা তম্বা।
- ক্লাসরুম দাইভর্সিতিদুদা পাউখুম পীদুনা, তল্লিবা অঙাংশিংগী থুনাই অমসুং লন্নাইগী পুন্সিদা তশেং-তশেংনা থোক্লি-উরিবশিংগা তল্লিবদুগা পূনশিন্নহনবা।
- ঈং-তপ্পা, গনতন্ত্রিক ওইবা পুন্সি মহিং, মান্নবা থাক, অচুম্বা, নীংতম্বা, মরুপ-মপাং ওইবা, লাইনীং-লীচৎকী খেন্নবা লৈতবগী গুনশিংবু য়োকখৎপা, অমসুং থুনাইবু অমুক হন্না শেমগৎনবগী ইখৌ লাংবা পোকহনবা।

স্তেকহোলদরশিংগী মরক্তা খন্ন-নৈনদুনা স্তেন্দর্দশিংদুগী ওইবা য়ানবা অমা পুরক্কবাময়েক শেংহনবা হায়বসিনা ওইহল্লকপা য়াইঃ

- লাইরিক নিংখিজনা তাকপগী মওং-মতৌশিংদা হেন্না ময়েক শেংহনবা অমসুং কথোকপা।
- লাইরিক নিংখিজনা তাকপবু চাং নাইহনবা অমসুং শৌগৎলিবা মরী লৈনবা মতাংশিংদা খন্ন-নৈনরিবশিংদু খঙবা।
- ওঝাশিংগী ওইনা মখোয়গী শিনফমগী ওইবা থবক্তুগী তঙাইফদবা মায়ওনশিংবু ময়েক শেংহনবা অমসুং হঙ্গিন হঙ্গিন তৌবা অমদি ক্লাসরুমবু লর্নর-সেন্ত্রিক ওইহনবা অমসুং মখোয়গী সেল্ফ-রিফ্লেক্সনবু লমজিংবা।
- ওঝাশিং, লাইরিক নিংখিজনা তম্বীবা, অমসুং শিনফমদা চাওখৎপা পুরক্কবগীদমক ওঝাশিংনা শেম-শারিবদু শৌগৎনবগীদমক ইকোসিস্তম অমসুং এক্সো-সিস্তম শেমগৎপা অমসুং শেন্নবগী মরমদা মুন্না খঙবা।

দ রাইত তু এজুকেসন এক্ত, 2009 (আর তি ই এক্ত, 2009) না ওঝাশিংগী অমসুং এজুকেসনগী মতেংনা হেন্না শক্তি লৈহনবা ঙমগদৌরিবা স্কুল তল্লিবা অঙাংনা পোজিতিভ এজুকেস্নল এক্সপিরিএন্স লৈহল্লক্কদৌরিবা তম্বীবগী মতীক-মগুনশিংদগী ফংবা পাল্লিবা মহৈশিংদু ফংহল্লি। আর তি ই এক্ত, 2009 দা পল্লিবগুন্না তম্বীবা হায়বসিঃ ***[সেক্সন 29/2, আর তি ই এক্ত 2009]*** গী মতুং ইন্না ওইগদবনি।

- গনতন্ত্রিক ওইবা, অচুম্বা, অমসুং তংদু লৈতাবা থুনাই অমা শেমগৎনবগীদমক ভারত সংবিধান্দা য়াওরিবা মতীক-ময়াইশিংগা চূনবা তাই।
- তল্লিবা অঙাংদুগী মপূং ওইনা চাওখৎলকপা পুরকপা।
- মহৈরোইদুগী লৌশিং, মতীং, অমসুং হৈথোই-শিংথোইবা শেমগৎপা তাই।
- মহৈরোইদুগী হকচাং অমসুং পূক্নিংগী তৌবা ঙম্বা মগুনশিংবু মপূং ফানা শেমগৎপা তাই।
- অঙাংগা মরুপ-মপাং ওইবা অমসুং চাইলদ-সেন্তর্দ ওইবা মওং অমদা থবক পাংথোকপা, অনৌবা পুথোকপা, অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌদুনা তম্ববু ঙমহল্লি।
- হেক ঙল্লিবমখৈ চাং য়াম্না তমশিনহনবা অমসুং মহৈরোইদুগী মমারোলদা তম্বীবা।
- অকিবা, নীংবা কায়বা, অমসুং খোইরাং-খোয়শাওনবা লৈহন্দনা তমহনবা অদুগা মহৈরোইদুনা ফোঙদোক্নীংবদু মনীং তম্না ফোঙদোকহনবা।
- খঙবা ঙম্বা অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক অনীমকপু লেপ্তনা কম্প্রিহেন্সিভ ইভাল্যুএসন তৌবা।

অসুন্না, অঙাং থূদিংমকপু মরেক-মহাও থোক্না হিংবা ঙমহল্লি।

ভারতকী সংবিধান্না মথা তানা এজুকেসন হায়বসিনা পূন্নমকপু কোনশিল্লি অমসুং লোইজি-লোইয়ালমদগী লাকপা মহৈরোইশিং, লোন্মীৎলোন (লিঙ্গুইস্তিক) অমসুং নাৎকী ওইনা হন্থবা থাক্তা লৈরিবা কাঙলূপশিং, সেদ্যুল কাস্তশিং, সেদ্যুল ত্রাইবশিং, অমসুং আদর বেকৱার্দ কম্যুনিতিশিং অমদি অথন্ননা য়েংশিনবগী মথৌ তারিবা অঙাংশিংবু শৌগৎলি হায়বা অথন্ননা হোৎনবগী মথৌ তারিবদুদা পূক্নিং চিংশিল্লি। মহৈ-

মশিল তম্বগী হক অমসুং থাঙ্গৈশেংনা এজুকেসনগী মঙলানসি স্কুলগী থাক পূম্বদা পূন্নমকপু কোনশিনবা মওংদা মহৈ-মশিল তম্বা অমসুং ক্লাসরুমগী দাইভর্সিতিদা অথন্নবা মীৎয়েং থম্বা এন ই পি 2020 দা য়ূম্ফম ওই।

এন ই পি 2020 না অথন্ননা শীংনরক্লিবশিংদা পূক্নিং চিংশিল্লি, মসিদা ওঝাশিংগী পেদাগোজিগী ওইবা থবকশিংনা নিয়ম চুন্না পাউখুম পীগদবনিঃ ***(পোলিসিগী নিতি-নিয়মশিং)***

- তল্লিবগী মায়ওন অসি চিনফা পুদুনা তম্বদগী হায়র ওর্দর থিঙ্কিং, ক্রিতিকল থিঙ্কিং, থিজিন-হুমজিনবা অমসুং 21 শুবা চহী চাগী হৈথোই-শিংথোইবরোমদা ওনশিনগদবনি।
- তমশিনববু লম কয়াগী ওইহনবা, থেংন-উরকপদগী খঙলকপা অমসুং থবক তৌদুনা খঙলকপা ওইহনবা।
- লোল ময়াম খঙবা।
- মহৈরোইশিংনা লৌশিংগী মহৌশাদগী শাগোন্নরক্লবা লন-থুমশিংগী মতীক-ময়াইবু লেপ্পা অমসুং পূনশিনবা ঙমহনবা।

## 2.2 শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং)বু খঙবা

'স্তেন্দর্দ' হায়বা ৱাহৈসি তোঙান-তোঙানবা হীরমশিং অমসুং লৈবাকশিংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাহন্থোকশিংনা খঙনৈ। স্তেন্দর্দ হায়বসি শিনফম অমদা য়াওরিবা মতীক-ময়াইদুগী মরমদা পীরিবা ৱারোলশিংনি অমসুং তমশিনবা নৎত্রগা থবক পাংথোকপগা মরী লৈননা করিগুম্বা থরা ফংহনবদা থ্বাইদগী পাল্লিবা অদুবু শন্দোক্লা তাকপা অমসুং ঈ-পাউ ফাওনবদা শীজিন্নৈ। তম্বগী লমদা, স্তেন্দর্দ হায়বসি তম্বদগী ফংলক্লিবা মহৈশিংদু ওইনা লৌনৈ, অদুবু শিনফম নৎত্রগা তৌরিবা থবক্কী লমদদি, স্তেন্দর্দ হায়বসি মায়পাক্লা তৌবা ঙম্বগী ফিভমশিংদুবু খঙনৈ, হায়বদি কনাগুম্বা অমনা অকক্লবা প্রোফেস্নল দোমেইন অমদা মতীক চারে হায়না লৌননবগীদমক্তা খঙগদৌরিবা অমসুং পাংথোকপা ঙমগদৌরিবদুবুনি। অতোপ্পা লোন্দাদা হায়রগা, স্তেন্দর্দ হায়বসি মতীক-মগুন লৈনা থবক পাংথোক্লবগীদমক মতীক চারে হায়না লৌনগদৌরিবা শিনফমগী ওইবা থবক অমবু ওন্নবগী পাদম-চৈ নৎত্রগা থূৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নৈ। স্তেন্দর্দ হায়বসি শিনফম অমদা মতীক-ময়াই তাক্লিবা, মতীক-মগুন লৈনা তম্বা হায়রিবদুগী অচুম্বনি হায়না লৌনরিবা অদুগা লোয়ননা মতীক-মগুন লৈনা তম্বা হায়রিবদুগী মমি তাহল্লিবা ৱারোলশিংনি। ৱারোলশিং অদুমক্লা ওঝাশিংনা করিবু খঙগদবগে, করিবু থাজগদবগে, অমসুং করিবু তৌবা ঙমগদবগে হায়বদু তাক্লিবা মতীক-ময়াইশিংদুবু শেম্মী।

## 2.3 ওঝাশিংগী অমসুং তাকপী-তম্বীবগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং)গী মরুওইবা

অফবা অমসুং পাল্লিবা মওংগী মহৈ তম্বগী শক্তমশিং অমসুং ওঝাশিংগী মগুনশিং অমসুং মচৎশিংদু তোঙান-তোঙানবা পোলিসিগী চেরোলশিংদা ময়েক শেংনা, নৎত্রগা নাকোইননা ফোঙদোকপা থেংনৈ।

অসিগুম্বা ৱাখল্লোনশিংনা এজুকেসনবু ফগৎহন্নবগীদমক সেন্ত্রেল গভর্নমেন্তনা পায়খৎপা মিসনশিং হায়বদি সর্ভ শিক্ষা অভিয়ান (এস এস এ) হৌদোকখিবগা লোয়ননা ইন-সর্ভিস এজুকেসন অমসুং ত্রেইনিংগী পান্দমশিংবু তাক্লি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোনশিংসি নেস্নল করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর তীচর এজুকেসন 2009 (এন সি এফ তি ই 2009) দা পীরিবা লমজিং-লমতাক ওইরিবা ৱারোলশিংদা তাক্লি অমসুং এন ই পি 2020 দা তৌগদবনি হায়খিবগুম্না প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন প্রোগ্রামশিংগী করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক শেমগৎ-শাগৎপগী নৌনা হন্দক্তা পুথোকখিবদুদা য়াওরি।

এন ই পি 2020 না ফোঙদোক্লিবা ৱাফমদি প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিংনা শেমগদৌরিবা অমসুং শাগৎকদৌরিবা শিনফম অদুবু চলাইগনি, মখোয়সি থৌদাং লৌবা, য়েংশিন-থোৎচিনবা, শিনফমগী ওইনা চাওখৎপা, তাঙ্কক খূদিংমক্কী মনুংদা চেল্লিবা শিনফমগী ঈচেল, অমসুং ভর্তিকল মোবিলিতিগা মরী লৈনৈ। ওঝাশিংগী প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিংগী চবুন অমনা ঙমহনগদবসিঃ

- ওঝা অমগী থবক্কী মচৎপু তাকপা
- থবক তৌবা অমসুং শিন্থা পাঙবগী ফিভমশিং শেমগৎপা
- ওঝাশিংবু তাকপী-তম্বীনবগী থৌরাংশিংবু নৌনা পুথোকপা
- ওঝাশিংগী রেজিস্ত্রেসন তৌবা
- পুন্সি চূপ্পগী ওইনা তম্বা অমসুং শিনফমগী চাওখৎপবু য়োকখৎপা
- ওঝাশিংগী মহৈ-মশিলগী থাক্তা চাং মান্নহনবা অমসুং মনীং তন্না মখৌ পাঙবা
- ওঝাগী অফ-ফত্তগী গুন লেপ্পা
- ওঝাবু ইথিল পীনবা ঙাক্লৌ পীবা
- ওঝানা থৌদাং লৌবা/মথৌদাংশিং পাঙবা

স্তেন্দর্দশিংগী শক্তমশিংদা হকচিন্না লৌরিবসি মখোয়গী অখন্নবা শীজিন্নফমদা য়ূম্ফম ওইরগা থেন্নবা য়াই; অদুম ওইনমক, তোয়না শীজিন্নবা স্তেন্দর্দশিংগী চবুন অমনা ওঝাশিং অমসুং শিনফম অমা ওইনা তম্বীবগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা মচাক-মথুমশিংদা লৈরিবা পোলিসিশিংগী অপূনবা অমা লৈ হায়বদু তাক্কনি।

# 3. ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (নেশ্নল প্রোফেশ্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স – এন পি এস তি)

ভারতনা লৌশিংগী উরিবা শক্তমসিদা হোংদুনা লাক্লি। মরম অসিনা, 21 শুবা চহী চাগী মথৌ তারিবশিংদু ফংবা ঙম্নবগীদমক এজুকেসন সিস্তমদা হেন্না ফবা অনৌবা শক্তম অমা পুরকপা হায়বসি মরুওইরক্লি। ভারতকী এন ই পি 2020 অসি লৈবাক অসিগী 21 শুবা চহী চাগী অহানবা এজুকেসন পোলিসিনি, অমসুং মসিনা ঈরৈবাক্কী থুমাং চাওশিল্লক্লিবা চাওখৎপগী তঙাইফদবা কয়াবু ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। ওঝাশিংনা থাঙ্গৎশেংনা ঐখোয়গী অঙাংশিংগী তুংলমচৎপু মশক-মওং নাইহল্লি, অমসুং মসিনা মরম ওইরগা, ঈরৈবাক্কী তুংলমচৎপুসু মশক-মওং নাইহল্লি। মীপূম খুদিংমক্কী মপূং ওইবা অমসুং মগুন লৈবা এজুকেসনগী পন্থুংফমদু য়ৌবা ঙম্নবগীদমক, এন ই পি 2020 না তম্বীবগী শিনফম্না চাওখৎলকপদা অখন্নবা মীৎয়েং থমখি অমসুং ওঝাশিংবু থুনাইগী য়াওলশিংগী ময়াই চবুক্তা থমখি। খ্বাইদগী ফবা অমসুং খ্বাইদগী হৈথোই-শিংথোইবশিংবু তম্বীবগী শিনফমদা চঙলকপদা ইথিল পীবা অমসুং ওঝাশিংদা শক্তি পীবা অমসুং হেক ঙম্লিবমখৈ কান্নবা মওংদা মখোয়গী মথৌবু পাংথোকপদা মখোয়বু মতেং পাংবা তাই।

## 3.1 এন পি এস তি গী নক্নবা মরীশিং

*“এন সি ই আর তি, এস সি ই আর তি শিং, তোঙান-তোঙানবা থাকশিং অমসুং মফমশিংদগী খনগৎলবা ওঝাশিং, ওঝাবু শেমগৎপা অমসুং চাওখৎহনবদা হৈ-শিংলবা লূপশিং, ভোকেশ্নল এজুকেসন্দা হৈ-শিংলবা কাঙবুশিং, অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিলগী ইন্সতিত্যুসনশিংগা থন্না-নৈনরগা, জেনেরল এজুকেসন কাউন্সিল (জি ই সি) গী মখাদা প্রোফেশ্নল স্তেন্দর্দ সেত্তিং বোদি (পি এস এস বি) অমা ওইনা নৌনা শেমহৌরবা মওংদা নেশ্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন্না কুমজা 2022 দা নেশ্নল প্রোফেশ্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি) গী ময়ামগী ওইবা লমজিং-লমতাক্কী চবুন অমা শেমগৎখি। স্তেন্দর্দশিং অসিনা এক্সপর্তিজগী/স্তেজগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা ওঝাগী খৌদাংদা পাল্লিবা অমসুং তাক্কক অদুদা মথৌ তারিবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংবু কোনশিনগনি। মসিদা তাক্কক খুদিংমক্কী, চাং নাইবা মওং অমদা পাংথোক্কদবা মথৌ তৌবা ঙম্বগী মতীক-ময়াইগী স্তেন্দর্দশিংসু কোনশিনগনি। এন পি এস তি না প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন প্রোগ্রামগী মশক-মওংবুসু খঙহনগনি। মসিবু স্তেতশিংনা চৎনহনবা য়াগনি অমসুং ওঝা ওইবগী মতম, শিনফমদুবু চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবশিং, তোলোব হেনগৎপা, ফম কাহনবা, অমসুং অতোপ্পা মখলগী শকখঙবীবগী মওংশিং য়াওনা, তীচর করিয়র মেনেজমন্তকী শক্তম পূম্নমকপু লেপ্পী। ফম কাহনবা অমসুং তোলোব হেনগৎপা হায়বসি ওঝা ওইরকপগী মতম নৎত্রগা সিনিয়রিতিদা য়ুম্ফম ওইরোই, অদুবু অসিগুম্বা মতীক-ময়াইখক্তদা য়ুম্ফম ওইগনি। প্রোফেশ্নল স্তেন্দর্দশিংসি 2030 দা অমুক হন্না য়েংশিনগনি অমসুং শেমদোক্কনি, অদুগা মতুং তারকপদদি চহী তরা তরা খুদিংগী, সিস্তমসিগী অফ-ফত্তবু কুপ্না নৈনরগা পাংথোক্কনি।” [পেরা 5.20, এন ই পি 2020]*




**লাইয়েক 1. ওঝা ওইনবা শিনফমগী থৌরাংবদু তাকপা (তীচর রেদিনেস তাকপা)**

**3.1.1 ওঝাদা মহৈ পীবা (তীচর এজুকেসন):** এন ই পি 2020 দা পীরিবা অদুগুম্না, এন পি এস তি না প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন প্রোগ্রামগী ওইবা চহী-4, চহী-2, অমসুং চহী-1 গী বি.এদ কী মশক-মওংদু তাক্লক্কনি।

**3.1.2 ওঝাগী থৌদাং শীনবা (তীচর রোল মেনেজমন্ত):** স্তেন্দর্দশিংনা এক্সপর্তিজগী/স্তেজগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা ওঝানা লৌরিবা থৌদাংদা পাল্লিবশিং, অমসুং তাঙ্কক অদুগী তঙাইফদ্রবা মতীক-ময়াইশিংবু কোনশিনগনি। তাঙ্কক খূদিংমক্কী ওইনা, এন পি এস তি না তৌরিবা থবক্কুগী মতীক-ময়াইগী স্তেন্দর্দশিংবু কোনশিনগনি।

**3.1.3 ওঝাগী করিয়র শীনবা (তীচর করিয়র মেনেজমন্ত):** ওঝা ওইবগী মতম, শিনফমদু চাওথৎহন্নবা হোৎনরিবশিং, তোলোব হেনগৎপা, ফম কাহনবা, অমসুং অতোপ্পা মখলগী শকখঙবীবগী মওংশিং য়াওনা, তীচর করিয়র মেনেজমন্তকী শক্তম পূম্নমক্তুনি।

**3.1.4 ওঝাগী শিনফমদা চাওথৎপা (তীচর প্রোফেস্নল দেভলপমন্ত):** ওঝাশিংদা মরোমদোম চাওথৎচনবগী খুদোংচাবশিং লেপ্তনা পীগনি অমসুং মখোয়গী শিনফমদা নৌনা পুথোরক্লিবা অমদি থুমাং চাওশিল্লকপশিংবু তম্বীগনি।

এন ই পি 2020 গী মতুংইন্না, ওঝাবু শেমগৎপা হায়বসি মায়থোঙ য়াম্বা অশানবা মীৎয়েং অমসুং লৌশিং, শাগোন্নরক্লবা গুন অমসুং মতীক-ময়াইবু শেমগৎপা, অমসুং খ্বাইদগী নিংথিজনা তম্বীরিবা ওঝাশিংগী মখাদা শিন্থা পাঙববু চাওথৎহনবগী মখৌ তারিবা থবক অমনি। ওঝাশিংনা ভারতকী মতীক-ময়াইশিং, লোলশিং, লৌশিং, তোপ-তোপ্পা মতীং, অমসুং চৎনবীশিংদা থঙ-হৈরবা অমদি এজুকেসন অমসুং পেদাগোজিদা খ্বাইদগী থুমাং চাওশিল্লক্লিবদু নিংথিজনা থঙবগী মখৌ তাই। এন পি এস তি অসি, তম্বীবগী মগুনসি করিনা শেম্লকপগে অমসুং ভারতকী মহৈরোইশিংগী মহৈ-মশিলগী ওইরক্লিবা ফিভমশিংদা করি ফগৎহনবগী মখৌ তাই হায়বসিগী মীয়ামগী ওইবা ৱারোল অমনি। অসিগুম্বা স্তেন্দর্দশিংসি শিনফমগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা এক্সপর্তিজগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা ওঝা অমগী থৌদাংদা করিবু পাল্লিবগে হায়বদু তাক্লিবা লমজিং-লমতাকপগী ৱারোলশিংগী চবুন অমা ওইগদবনি। স্তেন্দর্দশিং অসিনা তম্বীবগী শিনফমগী তাঙ্কক খূদিংমক্তা 21 শুবা চহী চাগী স্কুলশিংদা কান্নবা মওংগী লাইরিক মতম্বী

হায়বসি করিগা মাল্লে অমসুং ওঝা অমা ওইনা থবক তৌনবগীদমক করম্বা তৌবা ঙম্বা মতীকশিংগী মথৌ তাই হায়বদুসু তাকই।

## 3.2 ওঝাশিংগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং)

ওঝাশিংগী প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিংগী ফ্রেমৱার্ক্কা অফবা ওঝাশিং অমসুং অফবা লাইরিক মতম্বীগী গুনশিংগা মরী লৈননা, ময়েক শেংনা ঙাংবা, চিংনবা লৈহন্দনা ফোঙদোকপা অমসুং নাকোইননা ফোঙদোকপগী লৌশিং শীজিন্নে। মসিগীসু মথক্তা, মসিনা ভারতকী লাইরিক তম্বীবগী মওং অমসুং ওঝা শেমগৎপগী থিজিন-হুমজিনবদা মীৎয়েং থম্মী, অমসুং মান্নবা ফিভম অমদা, মসিনা ওঝাশিং অমদি লাইরিক তম্বীবগী গুনবু মশক তাকপা অমদি অফ-ফত্ত য়েংশিন্নবগী পায়থৎলকপা থবকশিং অদুবুসু কোনশিল্লি।

### a) থবক তৌবা ঙম্বগী মতীক

ওঝাশিংগী শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং) শেম্বদা, তম্বীবগী শিনফমগীদমক মশক খঙলবা তঙাইফদবা থবক তৌবা ঙম্বগী মতীকশিং অদুগী স্তেন্দর্দশিংগী মরুওইরবা চবুন অমদা পূক্নিং লূপশিল্লি। থবক তৌবা ঙম্বগী মতীক হায়রগা, অকক্লবা দোমেইন অমদা কান্নবা পীরিবা, মীওইবগী শিল্প পাঙবা ঙমহল্লিবা লৌশিং, হৈথোই-শিংথোইবা, খঙবা ঙম্বা, মতীক-ময়াই, মীৎলৈ-নারৈশিং অমসুং অপাম্বগী অপূনবা মগুন অমবু খঙনৈ।

### b) দোমেইনশিং

ওঝাগী লৌশিং অমসুং তম্বীবগী থবক (তম্বীদ্রিঙৈগী মমাং, তম্বীরিঙৈ মনুং অমসুং তম্বীরবা মতুংগী) অসি অমগা অমগা মরী লৈনবা দোমেইনশিংনি, অদুগা মখোয় অনীমক থাজনরিবশিং, হৈথোই-শিংথোইবা, পাউ ফাওনবা ঙম্বগী মতীকশিং, শিনফমবু মশক খঙবা, হৌন-লোনচৎ, মতীক-ময়াই, অমসুং শাগোন্নরক্লবা গুনশিংগা মরী লৈনৈ। মখাগী দোমেইন অহুমসিবু স্তেন্দর্দশিং ওইনা মশক খঙলেঃ

1. মরুওইরবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং হৌন-লোনচৎশিং
2. লৌশিং অমসুং থবক পাঙবা
3. শিনফমগী থুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওথৎপা

### c) ওঝাগী প্রোফাইল (তীচর প্রোফাইল)

ওইথোকপা য়ারিবা চাং অদুদা, তাকপীবগী হৈথোই-শিংথোইবনা ফগৎলকপগী অমসুং চাওথৎলকপগী ৱাখল্লোন অসি অফবা তাকপী-তম্বীবদা থুমাং চাওশিল্লকপা অমসুং চাওথৎলকপগী মচৎ অদুবু খঙহনবদা পূক্নিং লূপশিল্লি- ফগৎলকপগী অমদি থুমাং চাওশিল্লকপগী আশা অমসুং লম্বী অনীমকপু শেমগৎপগা লোয়ন-লোয়ননা প্রোফেস্নলশিংনা ফংলিবা অৱাংবা স্তেন্দর্দশিংবু মশক খঙবগী য়ূম্ফম অমা ওইনা শেমগৎপসিনি। এন পি এস তি গী ওইনদি, মখাগী থাক অহুমসি- স্কুল তল্লিঙৈদা অমসুং হীরম অমবু তম্বীবগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা তম্বীবগী দোমেইন অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক পূন্নমক্তা পানশিনবা য়াবা ওইনা পুথোরকই। অসিগুম্বা থাকশিং অমসুং মখোয়গী শন্দোক্লা তাকপা ৱারোলশিংসি ওঝাশিংনা

করি তৌবা ঙম্বগে, অমসুং মথোয়না মতুং তারকপদা হেন্না চাওখৎপা পুরক্লিবা লমশিংগী মতাংদা মীৎয়েং অমা শেম্লবগীদমক তৌবা ঙমহল্লিবশিং ওইনা শীজিন্নগদবনি। মখাদা পীরিবা থাকশিং অসিদা, মসিনা মথোয়না তানশিনবা ঙম্লিবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংগী থূদম-চাংদমদা য়ূম্ফম ওইরিবা ওঝাশিংবু খনবদা মতেংসু পাংগনিঃ

1. প্রোফিসন্ত
2. এদভান্সদ
3. এক্সপর্ত

এন পি এস তি হায়বসি অৱাংবা থাক্কী গুন চেল্লিবা ওঝাশিংবু শেমগৎপা অমসুং পুথোকপদা শরুক য়ারিবা স্তেকহোলদর পূম্নমকপু মতেং পাংলিবা লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) অমনি। মসিনা ওঝাশিংনা মথোয়গী তম্বীবগী খোঙচৎপু মপূং ফাদ্রিবা ফাওবা ওঝা ওইনীংবগী মথোয়গী ৱারেপ লৌরকপা মতমদুদগী হৌরগা ওঝাশিংগী ময়েক শেংলবা হৈথোই-শিংথোইবগী লম্বী অমবু তাক্লি। লমজিং-লমতাক্লিবা চেরোল অসিনা ওঝাবু তাকপী-তম্বীরিবা ইন্সতিত্যুসনশিংনা অফবা মগুন চেনবা ওঝাশিং শেম্বদা লমজিংলি।

স্তেন্দর্দশিংসি তিচিং প্রোফাইলগী অকক্লবা তাঙ্কক অমা য়ৌনবগীদমক অহানবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিং ওইনা মশক তাকখ্রে অদুগা কাঙলূপ খায়দোকখ্রে। ওঝা অমনা হৈথোই-শিংথোইবগী গুনশিংদু ফংলগা শিনফম অদুগী পান্দমদু ফংনবগীদমক তঙাইফদ্রবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংগী থূদম-চাংদমদু শরুক য়ামিন্নদুনা অহানবা ফিভমশিংদু ফংগনি।

তাঙ্কক অমগী স্তেন্দর্দশিংদু ফংলবা তুংদা, ওঝা অমনা ওঝা ওইবগী অয়াবা ফংই অমসুং তাঙ্কক অদুদা থুমাং চাওশিল্লকই অদুগা ওঝাদুনা তম্বীবগী থবক্তা ফংলকখিবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদু শীজিন্নগনি অমসুং মথং তাঙ্কক্কী তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদা থবক তৌবা হৌরকই। মায়পাক্লবা তম্বীবগী শিনফম অমগী থৌরাং তৌবগী খোঙচৎ অসি মীওই অমনা তীচর এজুকেসন প্রোগ্রাম (তি ই পি) দা চঙলকপগী অহানবা নুমিৎ অদুমক্তদগী হৌরকই। স্তুদেন্ত তীচর অমনা তম্বীবগী শিনফমগীদমক শেম-শারকপা মতমদা অহানবা তাঙ্কক্তা তানশিনগদবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদু এন পি এস তি না য়েক্লকই। মরম অসিনা, তুংলমচৎকী ওঝা অমনা তম্বীবগী শিনফমদা চঙনবগী ৱারেপ লৌরকপা মতমদা, মথোয়না এন সি তি ই না মশক খঙলবা তি ই আই শিংদা মিং চনগনি। ইন্সতিত্যুসন অদুনা তম্বীবগী শিনফমগী অহানবা তাঙ্কক্তু য়ৌনবগীদমক মথৌ তারিবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদুদা য়ূম্ফম ওইরগা শেমগৎলকখিবা করিক্যুলম অমদা স্তুদেন্ত তীচরবু তম্বীগনি। অসিগুম্বা স্তেন্দর্দশিংসি করিক্যুলম শেম্বা অমসুং প্রোগ্রামশিং পাংথোকপদা প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন ইন্সতিত্যুসনশিংনা তানশিনগদবা থ্বাইদগী য়ামদ্রবদা ফংফম থোকপা স্তেন্দর্দশিং ওইগদবনি। স্তুদেন্ত তীচরদুনা মথোয়গী অহানবগী তীচর ত্রেইনিংদা তুং কোইনা থবক তৌবা অমসুং মেন্তরগী মতেংদগী তাকপী-তম্বীবা অমসুং তম্বগী থৌওংদুবু শৌগৎনবা অমদি পাংথোক্লবগী মথৌ তারিবা লৌশিং, হৈথোই-শিংথোইবা, মতীক-ময়াই অমসুং মীৎলৈ-নারৈশিংবু শেমগৎলক্কনি।

এন ই পি 2020 না ফোঙদোক্লি মদুদি স্কুলগী তাঙ্কক থূদিংমক্কী ওইনা, তীচর ইলিবিজিলিতি তেস্ত (তি ই তি) অসি তাকপী-তম্বীবগী শিনফমদা চঙলক্কদৌরিবা স্তুদেন্ত তীচর অমগী তৌদবা য়াদবা থবক

অমা ওইগনি। মতৌ অসুন্না, তি ই তি না অসিগুম্বা কেন্দ্রিদেতশিংবু মশক খঙলে হায়বদু ওনগনি অমসুং তাংদাংবা অমা লেপকনি, অমসুং মখোয়গী তি ই তি প্রোফাইলনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদু তাক্কনি। অনৌবা ওঝা অমনা তম্বীবগী শিনফমদা অমুক্তংবু চঙথ্রবদি, মহাকপু এন পি এস তি দা য়ূম্ফম ওইবা শিনফমগী তাঙ্কক অদুগী শেম-শাবরোমদা লমজিং-লমতাক্কনি। ওঝা অদুগী তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদু শিনফমদুগী য়ানরবা স্তেন্দর্দশিংদু ফংবা ঙম্বগী থাকপু তাক্লিবা পরফোর্মেন্স ইন্দিকেতর (পি আই) না লেপকনি। তাঙ্কক তাঙ্কক্কী ওইনা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদু তানশিনবা ঙন্নবগী থ্বাইদগী তেল্লবা মতমদু চহী মঙানি। ওঝাগী ক্বালিতি এস্যুরেন্স অমসুং পরফোর্মেন্স ইন্দিকেতরশিংসি জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং - এন এম এম) প্রোগ্রামগা মরী লৈনগনি অমসুং থোইদোক-হেন্দোক্না হৈরবা ওঝাশিংবু মেন্তরশিংগী কাঙলুপ্তা য়াওহনবা য়াই। মসিনা মখোয়গী শিনফম্না চাওথৎলকপা পুরক্লিবা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংগী মরক্তা অমনা অমদগী তম্বা য়ানবগী খুদোংচাবা অমা পীগনি।

তানশিল্লক্লিবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদুদা য়ূম্ফম ওইরগা, ওঝাশিংগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা থাক অহুমদি মথাগী অসুন্ননিঃ

1. **প্রোফিসন্ত তীচর (প্রভীন শিক্ষক):**

শিনফমগী তাঙ্কক অসিদা, ওঝা অমনা তাকপীবা অমসুং তমশিনবদা মরুওইরবা হৈশিংবশিংদু উৎপদা শিনফমগী ওইনা মনীং তম্বা লৈগদবনি হায়না থল্লি। প্রোফিসন্ত তীচরবু শিনফমগী চাওথৎনবা থৌরাংশিং অমসুং মদুবু পাংথোকপদা মখোয়না ফংলক্লিবা লৌশিংদু মপাঙ্গল কনথৎহনবদা ইন-স্কুল মেন্তরশিংনা ঙাক্লৌ পীগদবনি। শিনফমগী তাঙ্কক অসিদা, ওঝা অমনা তাকপীবা অমসুং তমশিনবদা মরুওইরবা হৈশিংবশিংদু উৎপদা শিনফমগী ওইবা মনীং তম্বা লৈগদবনি হায়না থল্লি। প্রোফিসন্ত তীচরবু শিনফমগী চাওথৎনবা থৌরাংশিং অমসুং মদুবু পাংথোকপদা মখোয়না ফংলক্লিবা লৌশিংদুবু হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা ইন-স্কুল মেন্তরশিংনা ঙাক্লৌ পীগদবনি। স্কুলগী ওইবা মেন্তরশিংনা তম্বীবগী থবক পাংথোকপদা প্রোফিসন্ত তীচরশিংবু মতেং পাংগদবনি। প্রোফিসন্ত তীচর অদুনা তানশিল্লক্লিবা লৌশিংদু শীজিন্নবদা থ্বাইদগী ফবা থাক অদু অমুক্তংবু য়ৌবা ঙমখ্রবদি, মহাকপু অনীশুবা শিনফমগী তাঙ্কক, হায়বদি এদভান্সদ তীচরগী তাঙ্কক্কীদমক থৌরাং তৌবরোমদা লমজিংগনি। ওঝাদুদা হৈথোই-শিংথোইনবা অমসুং মথং তাঙ্কক্তুগী শিনফম চাওথৎলক্নবগীদমক খুদোংচাবশিং পীগনি অমসুং মান্নবা স্কুলগী থাক অদুগী মথং তাঙ্কক্তা মরী লৈনবা খূদম-চাংদমদু ফংনবগী মায়কৈরোমদা লমজিংবীগনি। ওঝাদুনা মথং শিনফমগী তাঙ্কক অদুগী থৌরাং তৌখ্রবদি, মহাকপু মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবদুগী মতীক-ময়াইদু য়েংশিন্নবা অমসুং এদভান্সদ তীচরগী থাক্তু ফংবা ঙন্নবগীদমক লমজিংবীগনি। প্রোফিসন্ত তীচরনা করিক্যুলমগী মচাকশিং পুথোক্নবা, রিসোর্সশিং থনবা, নিয়ম চুন্না তেক্সবুকশিংবু শীজিন্নবা, মহৈরোইশিংগী ওইনা করিক্যুলমগী পান্দমশিং ফংহনবা, মহৈরোইশিংগী য়াইফনবা অমসুং চাওথৎনবগী চেকশিনবা অমসুং পূক্নিং চঙবা অমসুং মহৈরোইশিংগা কান্নবা মওংদা ঈ-পাউ ফাওনবা অসিনচিংবদু উৎকনি। মহাক্না তমশিনবা, স্তেকহোলদরশিং হায়বদি মমা-মপা অমসুং স্কুল মেনেজমন্তকা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা, গনতন্ত্রগী অমসুং সংবিধানগী মতীক-ময়াইশিং অমসুং থবকশিংবু য়োকথৎপগী মথৌ তারিবদু ফংহনবা ঙন্নবা ইন্দিভিজ্যুএলাইজ লর্নিংগী মথৌ তাবদু খঙগদবনি।

**2. এদভান্সদ তীচর (উন্নত শিক্ষক):**

শিনফমগী তাঙ্কক অসিদা, ওঝা অমনা তম্বীবা-তম্বগী থৌওং (তিচিং-লর্নিং প্রোসেস) কা মরী লৈননা খ্বাইদগী ফবা থবকশিংদা য়ূক্ষম ওইবা তম্বীবগী খ্বাইদগী ফবা স্তেন্দর্দশিংবু কোনশিনগনি হায়না থল্লি। মহাক্না তম্বীবা অমসুং তমশিনবদা খ্বাইদগী মরুওইবা হৈশিংবদু শীজিন্নবদা শিনফমগী ওইনা ঙমগদবনি। এদভান্সদ তীচরশিংনা প্রোফিসন্ত তীচরগী তাঙ্কক্তা লৈরিবা ওঝাশিংদা পীয়র লিদরগী থৌদাং লৌগদবনি। এদভান্সদ তীচরবু প্রিন্সিপাল/হেদ/সিনিয়র ফঙ্কস্নরিশিংনা মথোয়গী থবক্তুদা য়েংশিনবীগদবনি অমসুং মদুগা চূনবা মওংদা ত্রেইনিং পীগদবনি। এদভান্সদ তীচরদুনা মথংগী শিনফমগী তাঙ্কক্তা চঙনবগীদমক অমুক্তংবু থৌরাং তৌগ্নবদি, মহাকপু এক্সপর্ত তীচরগী থাক্তু ফংনবগীদমক লমজিংবীগনি। মহাক্না শিনফমগী তাঙ্কক অসিদা হেন্না চাওরবা এজেন্সিগা লোয়নননা পানশিনবা, চূশিন্নহনবা অমসুং মথৌ তৌনবগী চপ চাবা লৌশিং তানশিনবা ঙম্লক্কনি; হীরমদুদা হেন্না খঙলকপা; হৈশিংবগী লৌশিংদু পূনশিন্নরকপা অমসুং অনৌবা করিক্যুলমগী মচাকশিং, করিক্যুলমগী মচাক শিনবা থুংনা থবক তৌবা ঙম্লক্কনি। মহাক্না অমমমতগীগা লোয়ন-লোয়নননা মহৈরোইশিংগী তোঙান-তোঙান্না তম্বদা মথৌ তারিবশিংদু পীবা ঙমগনি; তম্লিবা মী অমদি তম্বীবগী মরী লৈনবা ফিভমবু খঙলবা তুংদা মমি তাহনবা; প্রোব্লমশিংবু চাংদম্নবা, অনৌবা ৱাখল্লোন শাগৎপা অমসুং ফল পুথোকপা ঙমগনি। মহাক্না খূদক্কী ওইবা, য়াইমরপ ওইবা অমসুং তুং কোইনগী মহৈরোইশিংনা তম্বা/ মহৈ-মশিলগী পান্দমশিংগী তূংনফম ওইরক্কনি, অমসুং মহৈ-তম্ফমশঙ অমসুং খুনাইগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদরশিংগা লোয়নননা শীংনরক্লিবশিংবু পুথোকপা অমসুং থবক তৌমিন্নবগী তূংনফম ওইরক্কনি।

**3. এক্সপর্ত তীচর (কুশল শিক্ষক):**

থাক অসিদা, ওঝাশিংনা মেন্তর নৎত্রগা মতীং লৈবা লূচিংবগী থৌদাং লৌনবগীদমক তোপ-তোপ্পা মতীক্কা লোয়নননা খ্বাইদগী ৱাংলবা স্তেন্দর্দ অদুবু কোনশিনগনি অমসুং অতোপ্পা ওঝাশিংনা মথোয়গী তৌবা ঙম্বগী মতীকপু কনখৎহনবদা মতেং পাংগনি, লোয়ন-লোয়নননা স্কুল অদুগী শিনফমগী ওইবা চাওখৎহনবগী থবকশিংদা লমজিংগনি। শিনফম অসিগী তাঙ্কক অসিদা, ওঝা অমনা মথোয়গী তাকপীবগী থবক, পূন্না থবক তৌমিন্নবা অমসুং মথোয়না তম্লিবা অমসুং তৌরিবা থবক্তুগী মগুন হেনগৎহনবদা লেংমান্নবশিংবু লমজিং-লমতাকপদা খ্বাইদগী নিংথিনা মথৌ তৌবদু অদুম্মক উৎতুনা লৈগনি। মসিগীসু মথক্তা, এক্সপর্ত তীচর অমনা মশামক্কী শিনফমগী লৌশিংদু চাওখৎহন্নবা হোৎনদুনা লৈগনি অমসুং কনাগুম্বা অমগী তম্বদা মথৌ তারিবশিং অমসুং মথোয়গী লেংমান্নবশিং অমসুং মহৈরোইশিংগী মথৌ তারিবশিংদুদা মমি তাহন্দুনা মথৌ তৌগনি। এক্সপর্ত তীচরশিংনা মুন্না য়েংশিনবা অমসুং মথোয় মশাগী অমসুং অতোপ্পশিংগী তম্বদা থৌদাং লৌগনি। এক্সপর্ত তীচরনা মথং শিনফমগী তাঙ্কক্তা চঙশিন্নবগীদমক অতোপ্পশিংবু লমজিংগনি। মথোয়বু মথং শিনফমগী থাক্তুগা মরী লৈনবা থবকশিং পাংথোক্লবা লৌশিং তানশিনবা অমসুং খূদম-চাংদমশিং শেমগৎপদা লমজিংবীগনি। মহাক্না স্কুলশিংদা তম্লিবা কাঙবুশিংগী চাওখৎপা পুরক্তুনা অতোপ্পশিং অমসুং মশামক্কী তম্বগী থবকপু ফগৎহন্নবা তোপ-তোপ্পা তৌবা ঙম্বগী মতীক্তু উৎকনি।

## 3.3 খঙ-হৈবগী মতীকপু খুমাং চাওশিনহনবা অমসুং চাওখৎহনবা

শন্দোক্লা তাকখিবা শিনফমগী দোমেইন পূম্নমক্তা খঙ-হৈবগী মতীকপু খুমাং চাওশিনহনবা অমসুং চাওখৎহনবা হায়বসি ওইথোকই অমসুং পাম্নবা ওই। অসুম্না খুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওখৎপা হায়বসি

তম্বীবগা মরী লৈনবা খঙ-হৈবগী মতীকশিংগী মখল পূম্নমক হায়বদি লৌশিং, মীৎলৈ-নারৈ, থাজবা, হৈশিংবা, শাগোন্নরক্লবা গুন, মতীক-ময়াইশিং, তম্বীবগী মচাক/হীরম, তম্লিবা মীশিং, খুনাই অমসুং মহৈ-মশিলগী ফিলোসোফিগী ওইবা পান্দমশিং খঙবা অসিনচিংবদা পানশিল্লি। পাকথোক-চাউথোক্লা হায়রবদা, অসিগুম্বা খুমাং চাওশিনবা অসিবু ওইহল্লক্লিবা লম্বী অহুমথক লৈঃ

a) **উরক-থেংনরকপদগী খঙলকপা -** উরক-থেংনরকপদগী খঙলকপা অমসুং থন্ন-নৈনবা হায়বসিনা ওঝাশিংবু তম্বীবগী থবক্তা হেন্না খঙবা, মখোয়গী লৌশিংবু হেন্না কুপথনা খঙবা, থিঅরিশিং অমসুং থাজবশিং, মরী লৈনরিবা ফিভম, তম্লিবা মীশিং অমসুং তম্বগী থৌওংবু খঙবগা লোয়ননা মহৈ-মশিল তম্বগী পান্দমশিংবু মখোয়না খঙবা ঙমহল্লি। অহানবদা, ওঝা অমগী পূক্নিং চঙবসি তম্বীবগী রুতিনশিংদুগা হেন্না চুশিন্নহনবগী মখৌ তারকপদুদগী ওইরকই অমসুং শিনফম অমা হেক্তদা তোয়না থেংনরিবা, শিনফম অমসুং থবক শুফমদা মখৌ তারিবশিংদুগা হৈনহল্লকই। তপ্পা তপ্পা, অহেনবা পূক্নিং চঙগদবা মতমসি তম্বীবগী মরুওইবা থবক অমসুং তমশিনবা ঙমহল্লিবা অমসুং মহৈরোই পূম্নমক্কী মহৈ-মশিল তম্বগী পান্দমশিংদু ফংবা ঙম্নবা থবক তৌনবগীদমক থাদোরকই। প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন ফেজগী মনুংদা ‘থিঅরিতিকল’ লর্নিংগী মরুওইবা অমসুং মতীক-ময়াইসু ওঝাশিংনা হেন্না ময়েক শেংহল্লকই অমসুং ময়াই হাপকৎলকই। ওঝাশিংনা শিনফমবু মশক খঙবা অমসুং শিনফম অদুমকপু খঙবগী হেন্না কল্লবা ইহুলসু পোকহল্লকই। ওঝা পূম্নমক্কা উরক-থেংনরকপদগী তম্লকই অমসুং চাওখৎলকই।

b) **উনবা-থেংনবা অমসুং অমগা অমগা ইথিল পীনবা –** শিনফম তম্বগী খুনাইগী ওইবা মচৎসি হৌজিক্তি হেন্না হেন্না মশক খঙনরক্লি। লেংমান্নবা অমসুং মরুপ-মপাংশিংগা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা অমসুং ‘কদাইৱাইদা করম্নবু তৌরিবনো’ হায়বনচিংবা অসিগা উনবা-থেংনবা হায়বসি ওঝাশিংগী তম্বা অমসুং খুমাং চাওশিল্লকপগী মরুওইবা হৌরকফমশিংনি। থবক পাংথোকপা অমসুং শিনফম তম্বগী লূপশিংগী শরুক অমা ওইনা, কনফরেন্স অমসুং ৱার্কশোপশিংদা শরুক য়াবা, অমসুং মহৈ-মশিল নৎতবা থবক তৌফমশিংদা উনবা-থেংনবা হায়বসিনা ওঝাশিংদা মমি তাহন্নবা অমসুং তমশিন্নবগী খুদোংচাবশিং পী।

c) **শিনফমবু লেপ্তনা চাওখৎহনবা -** শিনফমবু লেপ্তনা চাওখৎহনবগী ওনলাইন অমসুং ওফলাইন – ৱার্কশোপশিং, কেপাসিতি বিলদিং সেসনশিং, অপস্কিলিং কোর্সশিংনা অনৌবা লৌশিং, থবকশিংবু তম্নবগী খুদোংচাবশিং পীরি নৎত্রগা অনৌবা শিনফমগী লম্বীশিং শেমগৎতুনা অনৌবা স্কিলগী লমশিং অমসুং খঙ-হৈবগী মতীকশিংবু চাওখৎহল্লি, পূনশিন্নরবা খঙ-হৈবগী মতীকশিংবু শেমগৎলি। অসুম্না, মসি অনৌবা লমশিংবু তমশিন্নবা অমসুং হেন্না মগুন লৈবা এক্সপর্তিজ শেমগৎনবগী মরুওইবা খুদোংচাবা অমনি।

## 3.4 ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (নেশ্নল প্রোফেশ্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স – এন পি এস তি)

পূন্নমক্কী ওইনা হায়রবদা, স্তেন্দর্দশিংসি কান্নবা মওং অমদা তশ্বীবগী মগুনবু মশক তাক্লবা অমসুং চেজন চনশিন্নবা য়েংশিল্লি। মখোয়না 'অফবা মতশ্বী', লোয়ন-লোয়ননা 'স্তেন্দর্দশিংদু ফংবা' হায়বসিনা করিবু খঙনবগে হায়বদু মশক তাকই। শিনফমগী ওইনা, অসিগুম্বা স্তেন্দর্দশিংসি মখোয়গী পান্দম অমসুং মখোয়না কোনশিল্লিবা পূন্নমক্কী ওইনা হায়রবদা, স্তেন্দর্দশিংসি কান্নবা মওং অমদা তশ্বীবগী মগুনবু মশক তাক্লবা অমসুং চেজন চনশিন্নবা য়েংশিল্লি। মখোয়না 'অফবা মতশ্বী' অদুগা লোয়ন-লোয়ননা 'স্তেন্দর্দশিংদু ফংবা' হায়বসিনা করিবু খঙনবগে হায়বদু মশক তাকই। শিনফমগী ওইনা, অসিগুম্বা স্তেন্দর্দশিংসি মখোয়গী পান্দম অমসুং মদুদা য়ূম্ফম ওইরগা, মখোয়না কাঙলূপ থায়দোকই। অসিগুম্বা স্তেন্দর্দশিংসি মরী লৈননা তৌরিবা থবক্তুগী দোমেইনশিংদা অথন্নবা ওইবা য়াই নৎত্রগা ওইদবা য়াই। মখোয়বু তশ্বীবগী শিনফম পূম্ববু কোনশিল্লিবা নৎত্রগা প্রোফিসন্তদগী এক্সপর্ত প্রাক্তিস লেভলদা রোদমেপ অমা পীরদুনা, তোঙান-তোঙানবা শিনফমগী তাঙ্ককশিংদা ওঝাশিংগী থুমাং চাওশিল্লকপগী তঙাইফদবা মওং অমদা মশক তাকপসু য়াই।




**লাইয়েক 2. শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেশ্নল স্তেন্দর্দশিং) অমসুং নিংথিনা খঙ-হৈবগী মতীকপু তাকপা**

এন ই পি 2020 গী পান্দমবু ফংনবগীদমক, মথক্তা পনখিবগুম্বা দোমেইন অহুম শিনবা থুংনা শন্দোকখিবা স্তেন্দর্দশিংবু তশ্বীবগী শিনফমশিংগী পুন্সি চূপ্পগী ওইবা শিনফমগী য়াওলবু কোনশিন্নবা মচা থায়না মশক তাকই। এন পি এস তি গী পূন্নমক্কী ওইবা লমজিং-লমতাক্কী চবুন অমা এন সি ই আর তি, এস সি ই আর তি শিং, তোঙান-তোঙানবা থাকশিং অমসুং মফমশিংদগী থনগৎলবা ওঝাশিং, ওঝাবু শেমগৎলিবা অমসুং চাওখৎহল্লিবা হৈথোই-শিংথোইরবা লূপশিং, হৈথোই-শিংথোইরবা কাঙলূপশিং, অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-তম্ফমশঙশিংগা থন্ন-নৈনরগা শেমগৎখ্রে।

# 4. ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিংগী ফ্রেমৱার্ক (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স ফ্রেমৱার্ক)

ওঝাশিংগী জাতিগী ওইবা শিনফমগী স্তেন্দর্দশিংগী ফ্রেমৱার্ক (নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স ফ্রেমৱার্ক – এন পি এস তি ফ্রেমৱার্ক) কী শিনফমগী ওইবা শক্তমশিংসি ওঝাশিংগী থবক্কী অথন্নবা শক্তমশিংগী মতেংনা মশক তাকপা য়াই। ফ্রেমৱার্ক অসিবু শন্দোক্না তাকখ্রবা দোমেইনময়াম্বু কোনশিল্লিবা ‘স্তেন্দর্দশিং’ হায়না খঙনবা মখাদা পীরিবা অমগা অমগা মরী লৈনরিবা হীরমশিংসিদা শীন্দোক্তুনা থম্মী।

**4.1 স্তেন্দর্দ 1: মরুওইবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং হৌন-লোনচৎশিং -** স্তেন্দর্দ অসিনা ওঝা অমনা চাওখৎলক্লবগীদমক আশা তৌরিবা মরুওইবা মতীক-ময়াই অমসুং হৌন-লোনচৎশিংগা মরী লৈনবা দোমেইনশিংবু কোনশিনগনি। মরুওইবা মতীক-ময়াই অমসুং হৌন-লোনচৎশিংনা তম্বীবগী শিনফমদা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌই। মখোয়না অপূনবগী শক্তম শেমগৎপা, প্রোফেস্নেলিজম, পুকচেল শেংবা, ইকাইখুম্নবা, থাজবা, অমসুং ক্লাসরুমগী মনুংদা অমগা অমগা খঙনবগুম্বা ওঝাশিংগী মতীক-ময়াইশিংবু শিনফমগী ওইনা চাওখৎহল্লিবা লমজিং-লমতাকপগী প্রিন্সিপলশিং ওইনা মথৌ তৌই, অমসুং মখোয়গী পেদাগোজিগী ওইবা স্কিলশিং অমসুং মপুন্সি চূপ্পগী ওইনা তমশিনববু লেপ্তনা শেংদোক্লবগীদমক ওঝাশিংবু মতেং পাংই। অসিগুম্বা মরুওইবা মতীক-ময়াই অমসুং হৌন-লোনচৎশিংবু শৌগৎলদুনা, ওঝাশিংনা মীচং-মীথাই নাইদবা অমসুং মান্নবা খুদোংচাবশিংগী য়ূম্ফম অমা শেম্মী।




**লাইয়েক 3: মরুওইবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং হৌন-লোনচৎশিংবু তাকপা**


**4.2 স্তেন্দর্দ 2: লৌশিং অমসুং থবক পাংথোকপা -** স্তেন্দর্দ অসিনা শিনফমগী তাঙ্কক খূদিংমক্তা কান্নবা মওংদা মথৌ তৌনবগীদমক ওঝা অমনা মখোয়গী মহৈরোইশিং অমসুং তম্বীবা অমসুং তম্বগী মতাংদা খঙবা পাল্লিবদুগা মরী লৈনবা দোমেইন অদুবু কোনশিল্লি। স্তেন্দর্দ অসিনা তম্বীবা অমসুং তম্বগী থৌওং অমসুং তম্বগী থবক পাংথোকপদা মতৌ করম্না ওঝা অমনা চূনবা উরক-থেংনরকপদগী খঙলকপশিংবু শেম-শাবগে হায়বদুসু য়েকথোকই। ওঝাগী লৌশিং অমসুং থবক্কী দোমেইনসি য়াম্না পাক-চাউই অমসুং হীরম (সবজেক্ত)দুগী মচাক্কী ওইবা লৌশিং অমসুং মরী লৈনবা পেদাগোজিগী ওইবা মচাক্কী লৌশিং, হীরমদুগী মচাক্তুবু ফোঙদোক্লবা পাম্বৈশিংগী লৌশিং, মহৈ-মশিলগী পান্দমশিংগী লৌশিং অমসুং লৈবাক্কী এজুকেসন সিস্তম, খুজিন-থৌরাংশিং অমসুং পুৱারী, লর্নিং থিওরিগী লৌশিং অমসুং তল্লিবা মীদুগী ফিভমশিংগী অথন্নবা লৌশিং, অমসুং মহৈ-মশিলগী থবকশিংগী লৌশিংবু কোনশিল্লি। লৌশিং অমসুং

থবক পাংথোকপা হায়বসিদা খঙ-হৈবগী মতীক অমসুং শাগোন্নরক্লবা গুনশিং য়াওই অমসুং এজেন্সি অমগী ইহুল অমা য়াওইঃ মহৈরোইশিংবু অখন্ননা অমদি ৱাহন্থোক লৈনা য়াওহনবা, থৌরাং তৌবা, তম্বীবা, মগুন নৈনবা অমসুং ৱাখলদা মমি তাহনবা, রিসোর্সশিংবু থনবা, চাওখৎহনবা অমসুং শীজিন্নবা, লাইরিক তম্ফম কা (ক্লাসরুম), লাইরিকশিংগী পুক্কে (লাইব্রেরি), চাংয়েং পাংথোকফম (লেবোরেতরি), ফিল্দ ত্রিপশিং, কোরিদোরশিং অমসুং শান্নবুংশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা করিক্যুলমগী মফমশিংদা লর্নিং এক্সপরিএন্সশিং দিজাইন তৌনবা অমসুং তানশিন্নবা, অমসুং মহৈরোই পূন্নমক্না মপূং ওইনা মহৈ তম্বা অমসুং ফগৎলকপদা শৌগৎপীনবা য়াওরি।




**লাইয়েক 4: লৌশিং অমসুং থবক পাংথোকপবু তাকপা**

**4.3 স্তেন্দর্দ 3: শিনফমগী খুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওখৎপা** – স্তেন্দর্দ অসিনা ওঝা অমনা শিনফমগী লৌশিং/তৌবা ঙম্বগী মতীকপু হেনগৎহনবা অমসুং কন্তিন্যুঅস প্রোফেস্নল দেভলপমেন্ত (সি পি দি)গী প্রোগ্রামশিংদা য়াওদুনা শিনফমগী তাঙ্কক খূদিংদা থবক তৌনবগী করি আশাবু তৌবগে হায়বা দোমেইন অদুগা মরী লৈনৈ। শিনফম পাংলিবশিং ওইনা ওঝাশিংনা মখোয়গী শিনফমগী মশক তাকপবু মতীক-ময়াই চেলহনবগী মথৌ তাই অমসুং মখোয়গী খঙ-হৈবগী মতীকশিংদু খুমাং চাওশিনহনবা অমসুং চাওখৎহন্নবা লেপ্তনা হোৎনৈ। চেরোল অসিদা শীজিন্নরিবা, খঙ-হৈবগী মতীক্কী ওপরেস্নল দিফিনিসন্দা ময়েক শেংনা তাকপগুন্না, খঙ-হৈবগী মতীক্লা লৌশিং, শাগোন্নরক্লবশিং অমসুং মতীক-মঙমশিংগী মওং পূন্নমকপু কোনশিল্লি।




**লাইয়েক 5: শিনফমগী খুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওখৎপবু তাকপা**

| স্তেন্দর্দ 1: মরুওইবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং হৌন-লোনচৎশিং | | | |
|---|---|---|---|
| ওঝা অমনা উৎহন্নিংলিবা মরুওইবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং শিনফমগী হৌন-লোনচৎশিং | | | |
| দোমেইন | প্রোফিসন্ত তীচর | এদভান্সদ তীচর | এক্সপর্ত তীচর |
| ভারতকী সংবিধান্দা শাগোল্লদুনা লৈরিবা সংবিধানগী মতীক-ময়াইশিং | সংবিধানগী মতীক-ময়াইশিংগা মরী লৈননা মরম পীবা ঙম্বা, হান্না তৌগদবশিং খঙবা, মমি তাহনবা অমসুং শন্দোক্লা তাকপা ঙমহনবা | | |
| | মরম চানা, থৌদাং খঙনা ঈ-পাউশিং শীজিন্নবগী মতীক লৈবা অমসুং মহৈরোইশিংগী ইকাইখুম্নবা শোয়দনা লৈহনবা | | |
| | ভারতকী সংবিধানগী আর্তিকল 51A দা পীরিবা ফন্দামেন্তল দ্যুতিগী মরমদা খঙহনবা অমসুং শীজিন্নবা | | |
| | থৎন-চৈনবগী ফিভমশিং অমসুং চয়েৎনরবা অকোয়বগী ফিভমশিংগী ওইবা মতাংদা ৱায়েল-পথাপকী তৌফম থোকপশিং, নিতি-নিয়মশিং, কাঙলোনশিং, পোলিসিশিং, অমসুং লমচৎ-শাজৎকী মরম পীবা ঙম্বগী মতীক লৈবা | | |
| শিনফমগী ওইবা মরীশিং | তল্লিবা মীশিংগী কো-করিক্যুলর খুদোংচাবশিং পীনবগীদমক অতোপ্পা প্রোফেস্নলশিং অমসুং লূপশিংগা ৱা তাথোক-তাশিন তৌনবা | | |
| | অঙাংনা মপূং ওইনা চাওখৎলকপদা মমা-মপা ওইবশিং অমসুং থুনাইগী থৌদাংবু মশক খঙবা | | |
| | রিসোর্সনচিংবশিংবু শীজিন্নমিন্ননবা মশা মশাগী স্কুল অমসুং অতৈ ইন্সতিত্যুসনশিংগী অমসুং থুনাইগী মরক্তা লৈনরিবা অপূনবা মরীশিংবু ঙাক্কুনা থম্বগী মতীক লৈবা | | |
| | স্কুলগী মপান অমসুং মনুংদা তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদরশিংগা লৈনবা মরীশিংবু য়োকখৎপা অমসুং চয়েৎনরবা অমদি শীংননিঙাই ওইরিবা অকোয়বগী ফিভমগা চূনহনবা ঙম্বা | | |
| | মহৈরোই পূন্নমক্কী ওইনা মহৈ-মশিল তম্বগী পান্দমশিংদু ফংবা ঙম্নবগীদমক ইন্সতিত্যুসন্দুনা কান্নবা মওংদা অমসুং মতীক চানা মথৌ তৌবা ঙমহন্নবগী পান্দমশিং অমসুং থুজিন-থৌরাংশিং শেম্বা অমসুং থবক পাংথোক্লবা অকোয়বগী ফিভম অমসুং স্কুলগী মীপূম খূদিংমক্কী য়াইফনবা ফিভম লৈহনবা | | |

| স্তেন্দর্দ 2: লৌশিং অমসুং থবক পাংথোকপা<br>ক্লাসরুমদা কান্নবা পেদাগোজিগী থবকশিংগা মরী লৈননা, ওঝা অমগী থঙফম থোকপা, নিংথিনা লৌশিনফম থোকপা অমসুং তৌবা ঙমগদবা | | | | |
|---|---|---|---|---|
| দোমেইন | সবদোমেইন | প্রোফিসন্ত তীচর | এদভান্সদ তীচর | এক্সপর্ত তীচর |
| অঙাং খূদিংমক্কী তোপ-তোপ্পা মতীক-মঙমশিংবু থাগৎপীবা, থঙদোকপা অমসুং য়োকখৎপা | অঙাংবু শেমগৎপা অমসুং তম্বদা পীরকপা ইথিল | শেমগৎপগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিং অমসুং হীরমশিংগা মরী লৈনবা থিঅরিশিং মুন্না খঙবা (কোগ্নিতিভ, লিঙ্গুইস্তিক, খুনাইগী, পূক্নিং ইহুলগী, অমসুং হকচাংগী) | লৌশিং শীজিন্নবা অমসুং তম্বগী মওংশিংদু খঙবা ঙম্লনবা অঙাংনা ফগৎলকপা অমসুং অমমমতা ফগৎলকপদু মুন্না খঙবা | লেংমান্নবশিংগীদমক অঙাং ফগৎলকপগী থিঅরিশিং পানশিনবা |
| | লর্নর দাইভর্সিতি | লর্নর দাইভর্সিতিগী তোঙান-তোঙানবা মখলশিং (তম্বগী মওং-মতৌশিং, লর্নিং নীদশিং, সোসিও-ইকনোমিক স্তেতস, নাৎ, লোল, ইমুংগী মওং-মতৌ অসিনচিংবা য়াওনা) বু ময়েক শেংনা খঙবা অমসুং দাইভর্সিতি অসিবু স্কুল অমসুং ক্লাস মনুংদা ফোঙদোকপা | মহৈরোইশিংগী তোঙান-তোঙানবা তঙাইফদবশিংবু ফংহন্নবগীদমক লর্নিং রিসোর্সশিংগী লৌশিং শীজিন্নবা অমসুং ইনক্লুসিভ ক্লাসরুম অমা শেমগৎপা | ক্লাসরুমদা উরক-থেংনরক্লিবদুদা য়ূম্ফম ওইরগা মহৈরোই অমমমগী তোঙান-তোঙানবা তঙাইফদবশিংবু থঙদোকপা অমসুং ফোঙদোকপা ঙম্বগী মতীক |
| | শোইনাইরবা মহৈরোইশিং অমসুং তোপ-তোপ্পা গুন চেনবা মহৈরোইশিংগী লর্নিং নীদশিং | তোঙান-তোঙানবা মখলগী শোইনাইরবশিং অমসুং মথোয়গী অথন্নবা লর্নিং নীদশিংগা লোয়নননা তোপ-তোপ্পা মগুন চেল্লবা অঙাংশিংগী দরকার ওইবশিংগী লৌশিং উৎপা অমসুং মথোয়না তম্বদা মতেং পীনবগীদমক পোরম য়াৎপা | ক্লাস অদুদা তোঙান-তোঙানবা মহৈরোইশিংগী তঙাইফদবশিংদু মশক খঙননবা অমসুং ফোঙদোক্লনবা অথন্ননা মথৌ তারিবশিংগী লৌশিং শীজিন্নবা | অথঙ-অহৈগী থূৎ চঙবগী মথৌ তারিবা অথন্ননা দরকার ওইবশিংবু থঙদোকপা ঙম্বা অমসুং অসিগুম্বা মতাংশিংদা করম্না চঙশিনগদগে হায়বগী মতাংশিংদা লেংমান্নবশিংদা ইনপুতশিং পীবা ঙম্বা |
| হীরম অদুগী লৌশিং, কনসেপ্ত খঙবা | | সবজেক্ত দোমেইন অদুগী জ্ঞান শন্দোকপা, মুন্না | সবজেক্ত মনুংগী অমসুং সবজেক্তশিংগী মরক্কী | সবজেক্ত এরিয়াদা চাওখৎলকপশিংদু মতম মতমগী |

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| অমসুং শীজিন্নবা হৈবা | | খঙবা অমসুং শীজিন্নবা ঙম্বগী মতীকশিংদু উৎপা | কনতেন্ত লিঙ্কেজশিং পানশিনবা অমসুং লোকেল অমসুং মহৌশাদগী লৈরক্লবা লৌশিংবু পূনশিনবা | খঙদোক্লগা করিক্যুলম ত্রাঞ্জেক্সন্দা অনৌবা কন্সেপ্তশিং পুরকপা |
| করিক্যুলম | করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক | সবজেক্ত/দিসিপ্লিন অদুগী করিক্যুলম অমসুং করিক্যুলর ফ্রেমৱার্ককী পান্দমশিংবু ময়েক শেংনা খঙবা | সবজেক্ত মনুংগী অমসুং সবজেক্তশিংগী মরক্কী করিক্যুলর লিঙ্কেজশিং মুন্না খঙনবা অমসুং শেমগৎনবা শিনফম পূনমিন্নরিবশিংগা খূৎশম্নদা চৎমিন্নবা | খ্বাইদগী নৌনা চাওখৎলকপশিং অমসুং অনৌবা লৌশিং লাকপদু থন্নরগা করিক্যুলম ত্রাঞ্জেক্সন শেমদোকপা |
| | ইন্সত্রক্সনগী/পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং অমসুং লর্নিং তেক্নোনোমিশিং | তম্বীবদা শীজিন্নবা খ্বাইগী ওইবা ইন্সত্রক্সনগী স্ত্রাতেজিশিং, লর্নিং তেক্নোনোমিশিং অমসুং খ্বাইগী ওইবা পেদাগোজিগী মেথদশিং অমসুং রিসোর্সশিংগী মরমদা মুন্না খঙবা | মশাগী সবজেক্ত/তাকপী-তম্বীরিবা লম অদুদা লর্নিং তেক্নোনোমিশিং অমসুং পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং শীজিন্নদুনা চূনবা তম্বীবগী পান্দমশিং/মহৈশিং শেমগৎপা | তম্বগী থিঅরিশিং, ইন্সত্রক্সনগী/পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং থনবদা মেন্তর কোলিগশিং য়াওবা অমসুং হাপ্পা য়াবা লেসন প্লানশিং শেম্বদা লর্নিং তেক্নোনোমিশিং শীজিন্নবা |
| মহৈরোইনা তম্নবগী মচাকশিংবু শেমগৎপা | থেন্নবা থায়দোক্লবা ইন্সত্রক্সন/তিচিং | থেন্ননা থায়দোক্লবা ইন্সত্রক্সন/তিচিং স্ত্রাতেজিশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা হেন্না তম্বা য়াওহনবদা মথোয়না লৌরিবা থৌদাংদু মুন্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্বা | মহৈরোইশিংবু তম্বদা য়াওহন্নবগীদমক থেন্ননা থায়দোক্লবা ইন্সত্রক্সন শীজিন্নবা | মহৈরোইশিংবু হেন্না য়াওহন্নবগীদমক শেমগৎপদা চূনবা থেন্ননা থায়দোক্লবা থবক-থৌরমশিং অমসুং স্ত্রাতেজিশিংবু শেমগৎপদা মেন্তর কোলিগশিং |
| | ক্রিতিকল থিঙ্কিং, ক্রিএতিভ থিঙ্কিং অমসুং হায়র-ওর্দর থিঙ্কিং স্কিলশিংগুম্বা লাইফ স্কিলশিং শেমগৎনবগী স্ত্রাতেজিশিং | ক্রিতিকল অমসুং ক্রিএতিভ থিঙ্কিং, অমসুং/ নৎত্রগা অতোপ্পা হায়র-ওর্দর থিঙ্কিং স্কিলশিংবু শেমগৎলিবা খ্বাইগী ওইবা পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিংবু মুন্না খঙই হায়বদু উৎপা | অসিগুম্বা স্কিলশিংবু চাওখৎহন্নবগীদমক চূনবা পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং শীজিন্নবা | লম অসিদা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা খুমাং চাওশিল্লকখিবশিংগী লৌশিংদা য়ুম্ফম ওইবা অনৌবা পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং শেম্বা |

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| | অমসুং তূলশিং | | | |
| লর্নিং প্লানশিং | তম্বগী পন্থুংশিং অমসুং পান্দমশিং | ওনবা য়াবা অমসুং ফংবা ঙমগদবা তম্বগী পন্থুং অমসুং পান্দমবু থঙবা | করিক্যুলমগী স্ত্রকচরগা চূনহল্লবা সবজেক্তুগী ওন্নিঙাই অমসুং ফংনিঙাই ওইবা তম্বগী পন্থুংশিং অমসুং পান্দমশিংবু শেম্বা | মহৈরোইশিংগী তোঙান-তোঙানবা তঙাইফদবশিংবু ফংহনবা অমসুং মখোয়গী মপূং ওইনা চাওথৎলকপদু থন্নদুনা আশা ৱাংনা থম্বা অদুগা শীংননিঙাইদি ওইরগা ফংবদি ঙমগদবা পান্দমশিং পুথোকপা ঙম্বগী মতীক |
| | লর্নিং এক্সপিরিএন্স কী থৌরাংবা | অকক্লবা তম্বগী পান্দম অমগী লর্নিং প্লান শেমগৎপা ঙম্বগী মতীক | তল্লিবা মীওই অমমমগী লর্নিং নীদশিংদু য়াওনা থেন্ননা থায়দোক্লবা লর্নিং প্লানশিং শেম্বা | করিক্যুলমদা য়ূম্ফম ওইরগা অমগা অমগা মরী লৈনবা লর্নিং প্লানশিংগী পরেং অমা শেম্বা ঙম্বগী মতীক |
| তম্বগী, তম্নবগীদমক অমসুং তম্বা ওইনা এসেসমন্ত | এসেসমন্ত তৌনবগী স্ত্রাতেজিশিং | তোঙান-তোঙানবা এসেসমন্তকী স্ত্রাতেজিশিং অমসুং থূৎলাইশিংগী মথলশিংবু মুন্না থঙবা | মহৈরোইশিংগী লর্নিং নীদশিংদা য়ূম্ফম ওইবা চূনবা এসেসমন্ত স্ত্রাতেজিশিং থনবা | লূপকী, স্তেতকী অমসুং জাতিগী থাক্তা লৈবা খঙ-হৈবগী চাং লেপ্লবা পোলিসিশিংগী মরমদা জ্ঞান লৈবা |
| | এসেসমন্ত দেতা | এসেসমন্ত দেতাদগী মহৈরোইশিংগী মরমদা মনুং হুজিন্না ফংবা | তার্গেতশিং থন্নবা অমসুং লর্নিং প্লানশিং শেন্ননবা এসেসমন্ত দেতা শীজিন্নবা | মহৈরোইগী/ক্লাসকী ওইবা পরফোর্মেন্সকী অপূনবা শক্তম অমা শেন্ননবা তোঙান-তোঙানবা সোর্সশিংদগী দেতা শীজিন্নবা, অমসুং চূনবা মওংদা অশোয়বা চুমথোক্তুনা মহৈ তম্বদা মতেং পীবা |
| | ঈ-পাউ ফাওনবা অমসুং ফীদবেক পীবা | মহৈরোইশিং অমসুং মমা-মপাশিংগা মহৈরোইগী পরফোর্মেন্স দেতাগী মতাংদা পাউ ফাওনবা অমসুং ফগৎলকপগী মরমদা ফীদবেক পীবা | মহৈরোইশিংগী মমা-মপাশিং ওইবশিং অমসুং শেন্নরিবশিংদা মহৈরোইগী পরফোর্মেন্সকী মরমদা অথন্নবা ফীদবেক পীদুনা থঙহনবা | মহৈরোইশিংনা মহৈ তম্বগী লমজিং-লমতাকপীবদা মমা-মপা অমসুং থুনাই মীওইশিংগা থূৎশন্নবা চৎমিন্নবা |

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| তেক্নোলোজি শীজিন্নবা অমসুং মহৈ-মশিল তম্বদা পূনশিনবা | | মহৈ-মশিল তম্বদা তেক্নোলোজিগী থৌদাংবু মুন্না খঙবা | তম্বীবা-তম্বা, খঙ-হৈবগী চাং লেপ্পা অমসুং ক্লাসরুম মেনেজমন্তদা শৌগৎনবা আই সি তি তূলশিং শীজিন্নবা | মশামক অমসুং শিনফম পূনমিন্নরিবশিংবু তম্বীবা-তম্বদা মতেং ওইনবগীদমক চূনবা তেক্নোলোজিগী মচাকশিং শেম্বা |
| ক্লাসরুম কম্পোনন্ত অমসুং দাইনামিকশিং | শাফবা, য়োকখৎপা অমসুং ঙাক্নৌ ওইবা তম্নবগী ফিভম | শাফবা অমসুং পূম্নমক লৈরবা ক্লাসরুম অমা শেম্নবা খুদোংচাবশিং অমসুং মচাকশিং শেমগৎপা | অকিবা লৈতনা মহৈরোইশিংনা মাগী মাগী মোত ফোঙদোকপা ঙম্নবা পূক্নিং থৌগৎপা য়াওনা, পূম্নমক লৈরবা অমসুং তেংবাঙ ওইবা তম্নবগী ফিভম অমা শেমগৎপা | শাফবা অমসুং পূম্নমক লৈরবা ক্লাসরুম অমা শেমগৎপদা মহৈরোইশিং য়াওহনবা |
| | ক্লাসরুম মেনেজমন্ত | ক্লাসরুম মেনেজমন্তগী থোঙথাংশিংগী মরমদা খঙবা অমসুং শীজিন্নবা ঙম্বগী মতীক উৎপা | মহৈরোইগী মখল-মথাগী লমচৎ-শাজৎপু মুন্না খঙবা অমসুং মখোয়বু চন্নফম লৈহনবা | মহৈরোইশিংগী মরক্তা দিসিপ্লিন ঙাক্লা চৎপা, মশা মশাগী থৌদাং খঙবা, অমসুং লূচিংবা ওইবগী গুন চেলহনবা (রোল মোদেল) |
| | কান্নবা মওংদা ক্লাসরুমদা ঈ-পাউ ফাওনবা | তোঙান-তোঙানবা ভর্বল অমসুং নোন-ভর্বল ক্লাসরুম কম্যুনিকেসনগী স্ত্রাতেজিশিংবু মুন্না খঙবা ঙম্বগী মতীক লাকপা | মহৈ তম্বদা য়াওনীং-য়াওনীংবা য়াওহন্নবা তোঙান-তোঙানবা ভর্বল অমসুং নোন-ভর্বল ক্লাসরুম কম্যুনিকেসন স্ত্রাতেজিশিং শীজিন্নবা অমসুং মদুগী মহৈ লাকহনবা | থবক পুমিন্নরিবশিংবু মখোয়গী ক্লাসরুম কম্যুনিকেসন ফগৎহন্নবগী ওইবা তেংবাঙ পীনবা/ লমজিংনবা কন্সত্রক্তিভ ফীদবেক পীবা |
| | লোলগী দাইভর্সিতি অমসুং মলতিলিঙ্গেলিজম | লোলগী মখল-মথা অমসুং মরী লৈনবা লোল (শিং)দা খঙবগী চাং য়েংলুবা তৌদনা অঙাং পূম্নমক য়াওহনববু উৎপা | তম্বীবা অমসুং তম্বদা লায়থোকহন্নবা শিনফম পূনমিন্নরিবশিংনা ক্লাসতা লোল ময়াম শীজিন্নবদা শৌগৎপা | লেংমান্নরিবশিংগী মরক্তা তম্বীবা অমসুং তম্বদা লায়থোকহন্নবা লোল ময়াম শীজিন্নববু শৌগৎপা |

| স্তেন্দর্দ 3: শিনফমগী ওইনা থুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওথৎপা | | | |
|---|---|---|---|
| **শিনফমগী থবক্তা চাওথৎলক্কবা অমসুং থুমাং চাওশিল্লকপা ঙম্নবা মতীক** | | | |
| **দোমেইন** | **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| লর্নিং নীদশিং | লর্নিং নীদশিংবু থঙবা অমসুং মশাগী শিনফমদা চাওথৎনবগীদমক পান্দমশিং থম্বা | স্তেকহোলদরশিংদগী ফংলকপা ইনপুতশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা শিনফম চাওথৎনবগী থৌরাং অমা পুথোকপা | শিনফম পূনমিন্নরিবশিংদা শিনফম চাওথৎলক্কবগী খুদোংচাবশিং থৌরাংবা অমসুং পীবা |
| রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিস | রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিসশিং মুন্না থঙবদু উৎথোকপা | মশাগী ওইবা তম্বীবগী মওংদু শেমদোক্লনবা রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিসশিং শীজিন্নবা | রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিসশিং শীজিন্নবদা মেন্তর কোলিগশিংবু শৌগৎপীবা |
| লর্নিং কম্যুনিতি অমদা শরুক য়াদুনা য়াওশিনবা | স্কুল মনুং অমসুং মপান্দা তম্বগী খুদোংচাবশিং ফংবদা য়াওশিনবা | মখোয়গী থিজিন-হৃমজিনবা অমদি তম্লকপদু কনফরেন্সশিং, সেমিনারশিং, নৎত্রগা ৱেবিনারশিংদা ফোঙদোকপা | স্কুল মনুংদা লর্নিং কম্যুনিতি হৌদোকপা অমসুং শিনফম চাওথৎনবা শীনবা |

# 5. চৎনহনবা (ইমপ্লিমেন্তেসন)

দিজিতল প্লেতফোর্ম অমা ওইরিবা নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি (এন সি তি ক্যু) অসি এন সি তি ই দা লিংখৎথি, মসিদা ওঝাশিংগী ওইবা রিপোজিতরি লৈগনি অমসুং মসিনা এন পি এস তি গী থবক পাংথোক্লবগী থৌদাং লৌগনি। মথা তারকপদা, অহেনবা রিসোর্স পর্সনশিং/এজেন্সিশিং শেমগৎনবগীদমক স্তেকহোলদরশিংগী/ইমপ্লিমেন্তিং এজেন্সিশিংগী কেপাসিতি বিলদিং প্রোগ্রামশিং পায়খৎকনি। এন পি এস তি লমজিং-লমতাক্কী চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত) চৎনহনবা অমসুং নিংথিনা ইভাল্যুএসন তৌবসি লৈবাক শিনবা থুংবদগী ওঝা 1175 গা লোয়নননা সেন্ত্রল গভর্নমেন্তনা চলাইবা স্কুল 75 (25 কে ভি এস + 25 এন ভি এস + 25 সি বি এস ই) দা পায়খৎখ্রে। মথাদা পল্লিবা অসিগুম্না, পায়খৎলিবা প্রোগ্রামগী পান্দমশিংদু ফংবা ঙমখ্রেঃ

- থঙ-হৈবগী থাক অমসুং ওঝাশিংগী শিনফমগী তাঙ্ককপু মশক তাকপা
- ওঝাগী হৈ-শিংবা/থঙ-হৈবগী মতীকশিং অমসুং তম্বীবগী থবক্তা এন পি এস তি পাইলোতনা পীবা ইথিলগী চাং ওনবা
- এন পি এস তি চৎনহনবগী স্ত্রাতেজিদা স্তেকহোলদরশিংগী ফীদবেক খোমজিনবা

## 5.1 থৌরাং য়াথোকপা (প্লান ওফ এক্সন)

ওঝাগী মগুন লেপথোক্লবা অমসুং মথোয়গী থঙ-হৈবগী মতীকশিং হেনগৎহন্নবগীদমক ওঝাশিংগী চাওথৎলকপগী লম্বী অমা য়াৎনবগী ওইবা ময়েক শেংনা তাক্লবা স্তেন্দর্দশিংনা এজুকেসনবু মপূং ফানা শেমদোক্লবগী শক্তিদু এন পি এস তি গী মফমদা লৈ। চৎনহনবা য়ানবগী প্লান অসি লাকশিল্লবা মওং অমদা এন পি এস তি বু চাংয়েং ওইনা পায়খৎলিঙৈ মনুংদা ৱাথল্লোন অমা ওইনা শাগৎখ্রে অমসুং চাং য়েংখ্রে। চৎনহনবা য়ানবগী থৌওংদা মথাগী থোঙথাংশিংসি য়াওরিঃ

- তার্গেত গ্রুপকী রেজিস্ত্রেসন
- স্তেন্দর্দশিং শীজিন্নবা – ওঝাগী শিনফমগী তাঙ্ককপু মশক তাকপা
- ক্বালিতেতিভ এসেসমন্ত

এন পি এস তি গী মতুংইন্না, ওঝা অমনা মথোয়গী তম্বীবগী শিনফমদা হৈশিংবা অমসুং থঙ-হৈবগী মগুন চাওথৎহনবগী মথৌ তাই। ওঝাশিংনা সেল্ফ এসেসমন্ত তূলশিং, লোয়ন-লোয়ননা অতোপ্পা এসেসমন্ত তূলশিংগী মতেংনা মথোয়গী থঙ-হৈবগী মগুন্দু য়েকথোকপা ঙমগনি। ফোর্মেল এসেসমন্তদা তীচর কম্পিতেন্সি পোর্তফোলিও অমা শেম্বা য়াওগনি অমসুং মসিদা তিচিং পরফোর্মেন্সকী থৃদম-চাংদম, ক্লাসরুম দেমোনস্ত্রেসন(শিং), স্তেকহোলদরশিংদগী পীরকপা ফীদবেক (360 দিগ্রী) অমসুং/ নৎত্রগা লেংমান্নবশিং অমসুং মেন্তরশিংদগী থিজিন-হুমজিল্লুবগী পাউদমশিং য়াওগনি। পরফোর্মেন্স ইন্দিকেতর (পি আই)গী ফোর্মেতনচিংবশিং য়াওরবা তেস্ত/এসেসমন্তকী তূলশিং/মচাকশিংদু চেপ্তর – 6 তা পীরিবা অদুগুম্না সজেস্তিভ এসেসমন্ত ফ্রেমৱার্ক্তা য়ূম্ফম ওইরগা শেমগৎপা য়াই।

এন পি এস তি পুথোরকপগী থৌরাং য়াথোকপদু মথাগী অসুম্নিঃ-

a) এন পি এস তি লমজিং-লমতাক্কী চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত)পু হৌদোকপা অমসুং চৎনহনবগী থৌদাং লৌগদৌরিবা ইন্সতিত্যুসনশিং/এজেন্সিশিংগী কেপাসিতি বিলদিং।
b) এন পি এস তি লমজিং-লমতাক্কী চেরোল (গাইদিং দোকুমেন্ত)পু স্তেতশিং/য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংনা চানবা মওংদা লৌশিনবা।
c) এন ই পি 2020 গী পেরা 5.20 দা পল্লিবগুম্না, এন পি এস তি বু তীচর প্রোফেস্নল দেভলপমেন্ত, কেপাসিতি বিলদিং, ত্রেইনিংনচিংবগা পূনশিনবা।
d) ওঝাদুনা থঙ-হৈবগী থাকশিং য়ৌরকপা ঙমহন্নবগীদমক রিসোর্সশিং/ মেতরিঅল/ সেল্ফ-দেভলপমেন্ত গাইদ/এসেসমন্ত তূলশিং শেমগৎপা।

## 5.2 শীজিন্নবা য়াবগী চাং

a) এন পি এস তি বু মরী লৈনবা স্তেত/য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী লৈঙাক্লা থল্লবা মতীক চারবা লূপ অমনা চৎনহনগনি অদুগা সেন্ত্রল গভর্নমেন্তকী মখাদা লৈরিবা লূপশিং/কাঙলূপশিংগী মতাংদসু অসুম্না তৌগনি।
b) মতীক চানা থল্লবা লূপ (সেন্ত্রল/স্তেত) অদুনা মচা থায়রবা থৌওংশিংদু শেমগনি অমসুং তীচর প্রোফেস্নল দেভলপমেন্ত অমদি করিয়র মেনেজমন্তকীদমক এন পি এস তি গাইদিং দোকুমেন্তকা লোয়ননা চৎনহন্নবা অমসুং পূনশিনহন্নবা পাউতাকশিং পীগনি।
c) চূনবা লৈঙাক অদুনা এন পি এস তি গী মরমদা এন সি তি ই গা পূন্না থবক চঙশিনমিন্ননবগীদমক নোদেল ওফিসর অমা হাপকনি।
d) এন সি তি ই না নোদেল ওফিসরশিংগী মীফমশিং/ৱার্কশোপশিং শীনগনি।
e) এন পি এস তি বু চৎনবা য়াহন্নবগী থৌদাং লৌরিবা বোদি থূদিংমক্লা শন্দোক-ৱারোলশিংবু এন সি তি ই গা শরুক য়ামিন্নগনি।
f) এন সি তি ই না দেতাবেজশিং শেল্লগা তূলশিং য়াওনা এক্সপর্তশিংগী অমসুং রিসোর্সশিংগী রিপোজিতরি ওইগনি অদুগা মথোয়বু মরী লৈনরিবা লৈঙাক/বোদিদা শীজিন্ননবা পীগনি।
g) এন পি এস তি না এন ই পি 2020 গী পেরা 5.20 দা পল্লিবগুম্না, লৈবাক শিন-থুংবদা লৈরিবা তীচর প্রোফেস্নল দেভলপমেন্ত অমসুং করিয়র মেনেজমন্তকা পূনশিন্নরগনি।

## 5.3 মতম মতমগী য়েংশিনবা (পেরিওদিকেল রিভিয়ু)

শিনফমগী স্তেন্দর্দশিংসি (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিংসি) স্তেন্দর্দশিং অদুগী কান্নবগী চাং অদুগী মরমদা কূপ্না থন্না-নৈনবদা য়ূম্ফম ওইরগা মতম মতমগী ওইনা অশোয়-অঙাম য়াওরকপদা য়েংশিনগনি অমসুং শেমদোক্কনি।

# 6. এন পি এস তি ফ্রেমৱার্ক তা য়ূম্ফম ওইরিবা এসেসমন্ত তূলশিং (ৱা হৌদোকপা)

## স্তেন্দর্দ 1: মরুওইবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং হৌন-লোনচৎশিং

| দোমেইন 1: ভারত সংবিধান্দা শাগোন্নদুনা লৈরিবা সংবিধানগী মতীক-ময়াইশিং |
|---|
| **SD1.1-সংবিধানগী মতীক-ময়াইশিংগা মরী লৈননা মরম পীবা ঙম্বা, হান্না তৌগদবশিং খঙদোকপা, মমি তাহনবা অমসুং শন্দোক্লা তাকপা** |
| 1.1.1. মহৈরোই অমসুং শিনফম পূনমিন্নরিবা পূম্নমকপু ইকাইখুম্ননা অমসুং নুংশি-চান্ননা লোয়নবা।<br>1.1.2. মীশিংনা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং অমসুং পূক্নিংদা ফাওরিবশিংবু মনীং তম্না ফোঙদোকপা ঙম্বা শাফবা অকোয়বগী ফিভম অমা শেমগৎতুনা অপূনবগী শক্তম অমসুং নুংশি-চান্নববু য়োকখৎপা। |
| **SD1.2- ঈ-পাউশিংবু মরম চানা, থৌদাং খঙনা শীজিন্নবা ঙম্বা অমসুং মহৈরোইশিংগী ইকাইখুম্নবা লৈহনবা** |
| 1.2.1 মহৈরোইগী ঈ-পাউশিংবু ঙাক-শেন্দুনা থম্বা অমসুং ওথোরিতিশিংনা অথন্নবা মরমশিংগীদমক মথৌ তারকপা নৎত্রবদি কনাদসু পীথোক্তবা। |
| **SD 1.3-ভারতকী সংবিধানগী আর্তিকল 51A দা পীরিবা ফন্দামেন্তল দ্যুতিগী মরমদা খঙহনবা অমসুং শীজিন্নহনবা** |
| 1.3.1. মহৈরোই পূম্নমক্তা ঐখোয়গী ঈরৈবাকপু নুংশিবা, অমসুং ঐখোয়গী ইনাকখুল্লবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা হেরিতেজদা চাউখোকচবা ঙমহনবা।<br>1.3.2. অকোয়বগী ফিভম কন্ননবা, সাইন্তিফিক তেম্পর শাগৎপা ঙম্নবা অমসুং লৈবাক্কী চাওখৎপদা মতেং পাংনবগীদমক মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা। |
| **SD 1.4- থৎনা-চৈনবিঙাই ওইবা ফিভম অমসুং চয়েৎনবা মতাংদা ৱায়েল-পথাপকী তৌফম থোকপশিং, নিতি-নিয়মশিং, কাঙলোনশিং, পোলিসিশিং, অমসুং লমচৎ-শাজৎকী মরম পীবা ঙম্বগী শক্তি লৈবা** |
| 1.4.1. শেমদুনা লৈরবা নিতি-নিয়মশিং (স্কুল অমসুং স্তেতকী চৎনা-পথাপশিং) বু চেকশিন্না ইনবা অমসুং মখোয়বু থৌশারুদবদগী অমদি থুগাইরুবদগী থোরক্কদবা মহৈশিংদু খঙবা।<br>1.4.2. নিতি-নিয়মশিংবু ইন্নবগীদমক মহৈরোইশিং অমসুং শিনফম পূনমিন্নরিবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা অমসুং শৌগৎপীবা অমসুং মখোয়না থোকহল্লকপা ৱাথোকশিংবু লোইশিনবদা মতেং পাংবা। |
| দোমেইন 2: শিনফমগী ওইবা মরীশিং |
| **SD 2.1- তম্লিবশিংগী কো-করিক্যুলর থুদোংচাবশিং পীনবগীদমক অতৈ প্রোফেস্নলশিং অমসুং লূপশিংগা ইথিল পীনবা** |
| 2.1.1. মহৈরোইশিংনা মখল-মখা তম্বগী থুদোংচাবশিং ফংবা য়ানবা শেমগৎনবগীদমক স্কুলশিংদা থবক পূনমিন্নরিবশিং অমসুং অতৈ প্রোফেস্নলশিংগা থূৎশম্নবা।<br>2.1.2. মহৈরোইশিংগী পুন্সি মহিংগা চূনবা পান্দমশিং থম্বা অমসুং মখোয়দু ফংহন্নবা মীপূম থূদিংমক্লা শাফনা অমসুং মগুন লৈনা লৌবা ঙাক্নৌ পীবা লর্নিং কলচর অমা শেমগৎতুনা মতেং পাংবা। |
| **SD 2.2- অঙাংনা মপূং ওইনা চাওথৎলকপদা মমা-মপা ওইবশিং অমসুং থুনাই ময়ামগী থৌদাং লৈবদু য়াবা অমসুং মুন্না খঙবা** |
| 2.2.1. য়ুমদা অমসুং থুনাইদা মহৈরোইশিংনা তম্বগী মতেং ফংনবগীদমক মমা-মপাশিং অমসুং থুনাই মীয়ামগগী মরক্তা থাজনবগী মরীশিং শাগৎপা। |
| **SD 2.3- রিসোর্সশিংগী কান্নবা লৌমিন্ননবগীদমক মশানা তম্লিবা স্কুল অমসুং অতৈ ইন্সতিত্যুসনশিং অমসুং থুনাই মীয়ামগী মরক্তা মশেল লৈনরিবা মরীশিং ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্বা** |

| | | |
|---|---|---|
| 2.3.1. মহৈরোইশিংনা তম্বদগী উরক-খঙলকপশিংদু হেনগৎহন্নবগীদমক অতোপ্পা স্কুলশিংদা লৈবা ওঝাশিংগা অমসুং থুনাই মীয়ামগগী অচেৎপা মরীশিং শাগৎপা। | | |
| **SD 2.4- স্কুলগী মনুং অমসুং মপান্দা তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদরশিংগা লৈনবা মরীশিং য়োকখৎপা ঙম্বা অমসুং চয়েৎনবা অমদি শীংননিঙাই ওইবা অকোয়বগী ফিভমশিংগা য়াশিন্নবা ঙম্বগী মতীক** | | |
| 2.4.1. অথাং কনবা অমসুং থাজবগা লোয়ননা লৈনরিবা মরীশিং কায়হন্দবা থম্বা অদুগা মীপূম খূদিংমক্কা সংবিধানগী ভেল্যূশিং অমসুং এটিটুদশিং ঙাকহনবা। | | |
| SD **2.5-মহৈরোই পূম্নমক্কী মহৈ-মশিল তম্বগী পান্দমশিংদু ফংনবগীদমক ইন্সতিত্যুসন্দুনা কান্নবা মওংদা অমসুং মতীক চানা মথৌ তৌবা ঙমহন্নবা পান্দমশিং অমসুং খুজিন-থৌরাংশিং তৌবা ঙম্বগী মতীক লৈবা অমসুং স্কুলদুগী মীপূম খূদিংমক্কী থবক পাংথোক্নবা অকোয়বগী ফিভম অমসুং য়াইফনবগী ফিভম লৈহনবা** | | |
| 2.5.1. মহৈরোইশিংগী পুক্নি মহিংগা চূনবা পান্দমশিং থম্বা অমসুং মথোয়দু ফংহন্নবা মীপূম খূদিংমক্কা শাফনা অমসুং মগুন লৈনা লৌবা ঙাক্নৌ পীবা তম্বগী কলচর (সপোর্তিভ লর্নিং কলচর) অমা শেমগৎতুনা মতেং পাংবা।<br>2.5.2. মশামক্কী অমসুং শিনফম পূনমিন্নরিবশিংগী কান্নরবা ৱার্ক কলচর অমা শেম্বদা মতেং পাংবা। | | |

## স্তেন্দর্দ 2: লৌশিং অমসুং থবক পাংথোকপা

| দোমেইন 3: অঙাং খূদিংমক্কী তোপ-তোপ্পা লৈজবা মতীকশিংবু খঙদোকপা, পুথোকপা অমসুং য়োকখৎপা | | |
|---|---|---|
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **SD 3.1-অঙাং শেমগৎপা অমসুং তম্বা** | | |
| **শেমগৎপগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিং অমসুং হীরমশিং (কোগ্নিতিভ, লিঙ্গুইস্তিক, সোসিএল, ইমোশ্নল অমসুং ফিজিকল) গা মরী লৈনবা থিঅরিশিংবু মুন্না খঙবা** | **তম্বগী পেত্তর্নশিংবু খঙনবগীদমক অঙাংবু শেমগৎপা অমসুং মী অমমমগী চাওখৎলকপদুবু মশক তাক্নবগীদমক অঙাংনা চাওখৎলকপগী লৌশিং অমসুং খঙবা ঙম্বদু পানশিনবা** | **লেংমান্নবশিংগী চাইলদ দেভলপমেন্ত থিঅরিশিংগী মোদেল এপ্লিকেসন** |
| 3.1.1. তম্বা ঙম্বগী মতীক অমসুং তমশিল্লগা খঙলক্কদবশিংগা মরী লৈননা ক্লাসরুমশিংদা তোঙান-তোঙানবা মথৌ তাবশিংদু ফোঙদোকপা। | 3.1.2. মহৈরোইশিংগী তোঙান-তোঙানবা লর্নিং নীদশিং খঙলক্লিবদু শীজিন্নবা অমসুং মসিগী লৌশিংদু চূননা লেসন প্লান অমসুং ত্রাঞ্জেক্সন তৌবদা য়াওহনবা। | 3.1.3. মহৈরোইশিংগী লর্নিং নীদশিংবু লেংমান্নবশিংদা খঙহনবদা মতেং পাংবা অমসুং লৌশিং অসিবু চূননা লেসন প্লান অমসুং ত্রাঞ্জেক্সন তৌবদা য়াওহন্নবা মতেং পাংবা। |
| **SD 3.2-লর্নর দাইভর্সিতি** | | |
| **লর্নর দাইভর্সিতিগী তোঙান-তোঙানবা মখলশিং (লর্নিং স্তাইল, লর্নিং নীদশিং, সোসিও-ইকনোমিক স্তেতস, নাৎ, লোল, ইমুংগী শক্তম অসিনচিংবা য়াওনা) বু ময়েক শেংনা খঙহনবা অমসুং দাইভর্সিতি অসিবু স্কুলদা অমসুং ক্লাসরুমদা লৈহনবা** | **মহৈরোইশিংগী তোঙান-তোঙান্না মথৌ তারিবশিংবু ফংনবগীদমক লর্নিং রিসোর্সশিং অমসুং পূম্নমকপু কোনশিনবা ক্লাসরুম অমা শেম্বগী লৌশিংদু শীজিন্নবা** | **ক্লাসরুমদা থেংলক-উরকপদা য়ূম্ফম ওইরগা মহৈরোই অমমমগী মথৌ তারিবশিংদু খঙদোকপা ঙম্বগী অমসুং ফোঙদোকপা ঙম্বগী মতীক** |

| | | |
|---|---|---|
| 3.2.1. মহৈরোই পুন্নমকপু মান্নরনা য়েংবা অমসুং মথোয়গী থুনাই, নাৎ, জেন্দর নৎত্রগা লাইনীং য়েংলুবা তৌদনা মথোয়বু স্কুল অমসুং ক্লাসরুমগী থবকশিংদা য়াওনবা পূক্লিং থৌগৎপা। | 3.2.2. মথল-মথা কয়াগী রিসোর্সশিং পীরগা মহৈরোইশিংদা মথোয়গী লন্নাইগী ৱাফমশিং থন্নরবা অমসুং মথোয়গী মোতশিং ফোঙদোক্লবা পূক্লিং থৌগৎপা। | 3.2.3. মীওই অমমমগী লর্নিং নীদশিংবু খঙদোকপা অদুগা চানবা তম্বীবা-তম্বগী লর্নিং স্ত্রাতেজিশিং শীজিন্নবা। |
| **SD 3.3- শোইনাইরবা মহৈরোইশিং অমসুং তোপ-তোপ্পা গুন চেনবা মহৈরোইশিংগী লর্নিং নীদশিং** | | |
| **মথল-মথাগী শোইনাইবশিং অমসুং মথোয়গী লর্নিং নীদশিং খঙবদু উৎপগা লোয়ননা তোপ-তোপ্পা গুন চেল্লগা পোক্লকপা অঙাংশিংনা দরকার ওইরিবশিংদু উৎতুনা তাকপা অমসুং মথোয়না তমশিনবদা মতেং ওইনবা খুজিন-থৌরাং তৌবা** | **ক্লাসতা তোঙান-তোঙানবা মহৈরোইশিংগীদমক্তা দরকার ওইরিবশিংদুবু খঙদোক্লবা অমসুং ফোঙদোক্লবা অথন্নরনা মথৌ তারিবশিং খঙলিবদু পানশিনবা** | **অখঙ-অহৈগী থূৎ চঙবগী দরকার ওইরিবা অথন্নরনা মথৌ তাবশিংদু খঙদোকপা ঙম্নবগী মতীক লৈবা অমসুং মসিগুম্বা মতাংশিংবু করম্না পান্নগনি হায়বগী মরমদা লেংমান্নবশিংদা ইনপুতশিং পীবা** |
| 3.3.1. ক্লাসরুম এনভাইরনমেন্ত অমসুং রিসোর্সশিংবু ফংবা য়াগদবা মওংদা শেমগৎপা অমসুং শোইনাইরবা মহৈরোইশিং অমসুং তোপ-তোপ্পা গুন চেনবা মহৈরোইশিংগীদমক ইরায় লায়না খঙবা ঙম্নবা শীনবা।<br>3.3.2. পাবা নৎত্রগা অঙ্কগুম্বা য়াওবা ক্লাসরুমগী থবকশিংদা লূনা থোকচবা মহৈরোইশিংবু খাঙবগা লোয়ননা চেকশিন্না লোয়নবা। | 3.3.3. মহৈরোই অমমমগী মথৌ তারিবশিংদা য়ুম্ফম ওইবা চূননা মায়োক্লরিবা রিসোর্সশিং অমসুং ইন্সত্রক্সনগী স্ত্রাতেজিশিংগী মথল-মথা কয়াবু শীজিন্নবা।<br>3.3.4. মথোয়না তম্লিবদুবু চাওখৎহনবদা মতেং ওইনবগীদমক মহৈরোইশিংগী মতীক-মগুন্দা য়ুম্ফম ওইবা মহৈরোইশিংগী কাঙলূপশিং হৈশিংনা শেমগৎপা। | 3.3.5. অথন্নবা মতেংশিংগী দরকার লৈবা অঙাংশিংগীদমক ইন্দিভিজ্যুলাইজ এজুকেসন প্লান (আই ই পি)শিং শেম্বা।<br>3.3.6. ক্লাসরুমশিংদা শোইনাইরবা অমসুং তোপ-তোপ্পা মগুন চেল্লবা মহৈরোইশিংগী লর্নিং নীদশিংদু হেন্না য়াওহনবা য়ানবা শেল্লিবা পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিংদা মেন্তরশিংনা পাউতাক পীবা। |
| **দোমেইন 4: সবজেক্তুগী জ্ঞান লৈবা, কন্সেপ্ত খঙবা অমসুং হীরমদু শীজিন্নবা ঙম্বা** | | |
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **SD 4.1-সবজেক্তুগী জ্ঞান লৈবা, কন্সেপ্ত খঙবা অমসুং চান্নরনা শীজিন্নবা ঙম্বা** | | |
| **লৌশিং শন্দোকখিবা, সবজেক্ত দোমেইন খঙবা অমসুং চান্নরনা শীজিন্নবা ঙম্বগী মতীকশিংদু উৎপা** | **ইন্ত্রা- অমসুং ইন্তর-সবজেক্ত কনতেন্ত লিঙ্কেজশিং শীজিন্নে অমসুং কৈরোই-লৈকাই অমদি থায়নঙৈগী লৌশিংবু পূনশিন্নে** | **সবজেক্ত এরিয়াদা থুমাং চাওশিল্লক্লিবশিংদুগা চূননা থম্বা অমসুং করিক্যুলম ত্রান্সেক্সন্দা অনৌবা কনসেপ্তশিং পুশিল্লকপা** |
| 4.1.1. কন্সেপ্তশিংবু তম্বীনবগীদমক এক্তিভিতি, ৱারী, চাংয়েংনচিংবা তোঙান-তোঙানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নবা।<br>4.1.2. মথৌ তারকপগী মতুংইন্না ক্লাসতা মহৈরোইশিংনা হংলকপা ৱাহংশিংবু চপ চানা অমসুং মরীক চূন্না থম্বা। | 4.1.3. হৌজিক্কী অমসুং মমাংগী পেরাশিংগী কন্সেপ্তশিংদু মরী লৈনহনবা।<br>4.1.4. হেক শীজিন্নবা য়ারিবমথৈ স্কুলগী অতোপ্পা সবজেক্তশিং অমসুং কৈরোই-লৈকাইগী/থায়নঙৈগী ওইবা লৌশিংগা লৈনরিবা মরীদু শাগৎপা। | 4.1.5. সবজেক্ত অদুগী করিক্যুলমনা পাম্লিবদু ফংনবগীদমক অনৌবা পেদাগোজিগী তেক্নিকশিং পুথোকপা।<br>4.1.6. কনাগুম্বগী মশামক্কী সবজেক্ত নৎত্রগা অতোপ্পা সবজেক্তশিংগা মরী লৈনবা থিজিন-হুমজিনবগী ৱারেংশিং, |

| | | |
|---|---|---|
| | | জর্নেলশিং, মেগাজিনশিং, নৎত্রগা পেরিওদিকলশিংবু চাং নাইনা পানবগীদমক ফোঙদোকপা। |
| **দোমেইন 5: করিক্যুলম** | | |
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **SD 5.1–করিক্যুলমগী ফ্রেমৱার্ক** | | |
| **সবজেক্ত/দিসিপ্লিন অদুদা করিক্যুলমগী পান্দমশিং অমসুং করিক্যুলম ফ্রেমৱার্কপু মুন্না খঙনবা শেমগৎপা** | **ইন্ত্রা– অমসুং ইন্তর-সবজেক্তকী করিক্যুলমগী লিঙ্কেজশিংবু খঙনবা অমসুং শেমগৎনবা থবক পূনমিন্নরিবশিংগা থূৎশম্লনা চৎপা** | **থ্বাইদগী নৌনা পুথোরক্লিবশিং অমসুং অনৌবা লৌশিংগী মরমদা খন্নরগা, করিক্যুলম ত্রাঞ্জেক্সনবু শেমদোকপা অমসুং ফগৎহনবা** |
| 5.1.1. করিক্যুলমনা করিবু পাল্লিবগে অমসুং সবজেক্তুবু তম্বগী পান্দমশিংনা করিনো হায়বদু পূক্লিংদা থল্লগা পারা তাকপা। | 5.1.2. মহৈরোইশিংনা মপূং ফানা তম্বা ফংনবগীদমক সবজেক্তুগী করিক্যুলম অমদি অতোপ্পা সবজেক্তশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিংদু শাগৎলদুনা পারা তাকপা। | 5.1.3. সবজেক্তুগা মরী লৈনবা থ্বাইদগী নৌরিবা ৱাখল্লোনশিংদু থৌরাং তৌবা অমসুং পারা তাকপদা য়াওহনবা।<br>5.1.4. ৱার্কশোপশিং, পারুবশিং নৎত্রগা অতোপ্পা ফংফম অমা হেক্তদগী তল্লক্লিবশিংদু থৌরাং তৌবা অমসুং পারা তাকপদা পানশিনবা। |
| **দোমেইন 6: মহৈরোইনা তম্নবগী মচাকশিংবু শেমগৎপা** | | |
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **SD 6.1– ইন্সত্রক্সনগী/ পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং অমসুং লর্নিং তেক্নোলোমিশিং** | | |
| **তম্বীবদা শীজিন্নবা ইন্সত্রক্সনগী স্ত্রাতেজিশিং, লর্নিং তেক্নোলোমিশিং অমসুং থ্বাইগী ওইবা পেদাগোজিগী মেথদশিং অমসুং রিসোর্সশিং খঙবা** | **মশামক্কী সবজেক্ত/তম্বীরিবা হীরমদা লর্নিং তেক্নোলোমিশিং অমসুং পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং শীজিন্নদুনা চাওখৎনবগী ওইনা চূনবা তম্বীবগী পান্দমশিং/ থোরক্কদবা মহৈশিং শেমগৎপা** | **লর্নিং থিওরিশিং, ইন্সত্রক্সনগী/ পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং খনবদা মেন্তর কোলিগশিং অমসুং কান্নদগবা লেসন প্লানশিং শেম্লনবা লর্নিং তেক্নোলোমিশিং শীজিন্নবা** |
| 6.1.1. মহৈরোইশিংগী মরক্তা মখোয়দা কনতেন্ত খঙহনবদা মতেং ওইহন্নবা পখৈ লৈতবা মওংগী ৱারী-ৱাতাই শান্নবদা লায়খোকহনবা। | 6.1.2. তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা মখোয়গী মীৎয়েংশিংদুগী মতাংদা ৱাহং-পাউহংনবা, খন্ন-নৈননবা অমসুং অফ-ফত্ত পুথোক্লবদা মহৈরোইশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা। | 6.1.3. পীয়র লর্নিংদা মতেং ওইননবা স্ত্রকচর্দ অমসুং অনস্ত্রকচর্দ ইন্তরেক্সন ময়াম অমা থল কায়দনা শীজিন্ননবা মেন্তর পীয়রশিং। |
| **SD 6.2– দিফরেন্সিএতেদ ইন্সত্রক্সন/তিচিং** | | |
| **দিফরেন্সিএতেদ ইন্সত্রক্সন/তিচিং স্ত্রাতেজিশিং অমসুং তম্বগী থবক্তা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াহনবদা মখোয়গী থৌদাং ময়েক শেংনা খঙবা অমা উৎপা** | **মহৈরোইশিংবু তম্বদা য়াওহন্নবগীদমক দিফরেন্সিএতেদ ইন্সত্রক্সন্দু শীজিন্নবা** | **মহৈরোইশিংবু হেন্না য়াওহন্নবগীদমক চূনরবা দিফরেন্সিএতেদ এক্তিভিতিশিং অমসুং স্ত্রাতেজিশিংবু শেমগৎপদা মেন্তর কোলিগশিং** |

| | | |
|---|---|---|
| 6.2.1. তিচিং-লর্নিং মেথদশিং অমসুং করিক্যুলমগী পান্দমশিং ফোঙদোক্নবা স্ত্রেতেজিশিংগী অপূনবা শক্তম অমা শীজিন্নবা।<br>6.2.2. লর্নর পূম্নমক্তা ৱাখল লুনা থন্থরগা পীফম থোকপা পাউখুমশিং পীবা। | 6.2.3. কাঙলূপ মনুংগী তোঙান-তোঙানবা লর্নিং নীদশিং লৈবা লর্নরশিংগীদমক ৱাহং হংবা/ এক্তিভিতিশিংদু লর্নরশিংদুনা চূননা শীংনবা ঙম্নবগী থেন্নহনবা। | 6.2.4. মহৈরোইশিংগীদমক থেন্নহল্লবা ইন্সত্রক্সন স্ত্রাতেজিশিংদু নিংথিজনা চাং নাইনা মশা মশাগী মোতশিং ফোঙদোকপা ঙম্ননবা শীজিন্নবা। |
| **SD 6.3- ক্রিতিকল থিঙ্কিং, ক্রিএতিভ থিঙ্কিং অমসুং হায়র-ওর্দর থিঙ্কিং স্কিলশিংগুম্বা লাইফ স্কিলশিং শেমগৎনবগী স্ত্রাতেজিশিং অমসুং তূলশিং** | | |
| **ক্রিতিকল অমসুং ক্রিএতিভ থিঙ্কিং, অমসুং/নৎত্রগা অতোপ্পা হায়র-ওর্দর থিঙ্কিং স্কিলশিংবু শেমগৎলিবা থ্বাইগী ওইবা পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিংবু মুন্না খঙবদু উৎপা** | **অসিগুম্বা স্কিলশিংবু চাওখৎহন্নবগীদমক চূনবা পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং শীজিন্নবা** | **লম অসিদা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মনুংদা চাওখৎলক্লিবা লৌশিংদা য়ূম্ফম ওইবা অনৌবা পেদাগোজিগী স্ত্রাতেজিশিং শেম্বা** |
| 6.3.1. অঙাংশিংনা কনসেপ্তশিংদুবু নুমিৎ খূদিংগী পুন্সিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদা পানশিনবদা মতেং ওইনবা ক্লাসরুম এক্তিভিতিশিং শীজিন্নবা।<br>6.3.2. সোসিও-ইমোস্নলগী মথৌ তারিবশিংবু ফোংদোক্লিবা ক্লাসরুম এক্তিভিতি (খূদম ওইনা, ধ্যান তৌবা, সর্কল তাইম অসিনচিংবা) খরা য়াওবা। | 6.3.3. মহৈরোইশিংদা ক্লাসরুম ইন্সত্রক্সনগী শরুক ওইনা এনালিসিস তৌনবগী অমসুং ৱাহং-পাউহংনবগী খুদোংচাবশিং চাং নাইনা পীবা।<br>6.3.4. থুনাইগা লোয়নবা, ঈ-পাউ ফাওনবা, অমসুং নুমিৎ খূদিংগী ক্লাসরুমদা তৌরিবা থবকশিংগুম্বা সোসিও-ইমোস্নল স্কিলশিং শেমগৎপবু চান্ননা পূনশিনবা। | 6.3.5. অথন্নবা সবজেক্তশিংগীদমক নৎত্রগা সবজেক্তশিংগী ৱাংমদা ক্রিতিকল থিঙ্কিং, এক্সপ্লোরেসন, ক্বেস্নিং, রিফ্লেক্সন্নচিংবা তৌবদা মতেং ওইনবগীদমক পেদাগোজিগী অপ্রোচশিং শেম্বা।<br>6.3.6. মহৈরোই অমমমগী ওইনা সোসিও-ইমোস্নলগী মথৌ তারিবশিংদু চাং নাইনা য়েংশিনবা অমসুং পুথোকপা। |
| **দোমেইন 7: লর্নিং প্লানশিং** | | |
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **SD 7.1- তম্বগী পল্লুংশিং অমসুং পান্দম** | | |
| **চাং ওনবা য়াবা অমসুং ফংবা ঙমগদবা তম্বগী পল্লুং অমসুং পান্দমবু খঙবা** | **করিক্যুলমগী স্ত্রকচরগা চূশিন্ননা সবজেক্ত অদুগী চাং ওনবা য়াবা অমসুং ফংবা য়াবা তম্বগী পল্লুংশিং অমসুং পান্দমশিং শেম্বা** | **মহৈরোইশিংগী তোঙান-তোঙান্না মথৌ তারিবশিংবু ফংহনবা অমসুং মখোয়গী মপূং ওইনা চাওখৎলকপবু খল্লদুনা, শীংননিঙাইদি ওইবা, অদুবু ফংবদি ঙমগদবা পান্দমশিংদা আশা থম্বা অমসুং চাওখৎহনবা ঙম্বগী মতীক লৈবা** |
| 7.1.1. পূক্লিংদা পাক-চাউরবা পান্দমশিংদু থল্লদুনা লেসন প্লানশিং শেম্বা অমসুং লর্নিং আউতকমশিংগী থবকশিং অমসুং এসেসমেন্তশিংবু চূননা শীন্দোকপা। | 7.1.2. সবজেক্তুগী পল্লুংশিং অমসুং পান্দমশিং ফংননবা তম্বগী মহৈশিংদু শাগৎপা। | 7.1.3. দরকার ওইবা মতমদা, অথন্নবা তম্বগী মহৈশিং ফোঙদোকপদা কৈরোই-লৈকাইগী ফিভম অমসুং তল্লিবা মীশিংদুগী লর্নিং নীদশিংদুগা চূশিন্নবা পারা অমসুং স্ত্রেতেজিশিংবু নৈনবা। |

| SD 7.2– লর্নিং এক্সপিরিএন্সশিং থৌরাংবা | | |
|---|---|---|
| **অথন্নবা তম্বগী পান্দম অমগীদমক লর্নিং প্লান অমা শেমগৎপা ঙম্নবগী মতীক** | **তল্লিবা মীওই অমমমগী লর্নিং নীদশিংদু য়াওনা দিফরেন্সিএতেদ লর্নিং প্লানশিং শেম্বা** | **করিক্যুলমদা য়ূম্ফম ওইবা অমগা অমগা মরী লৈনবা লর্নিং প্লানশিংগী পরেং অমা শেম্বা ঙম্বা** |
| 7.2.3. য়াওরিবা মচাক, থোরক্কদবা মহৈশিং, থবকশিং, অমসুং শন্দোক্লা তাক্লবা অহৈ-হৈত লেপ্পবগী স্ত্রেতেজিশিং য়াওনা মচা খায়রবা লেসন প্লানশিং শেম্বা। | 7.2.4. অহেনবা মতেং পীবগী (থূদম ওইনা, পাবদা লূনা থোক্লিবশিংগী হেন্না চম্বা তেক্সশিং) মথৌ তারিবা তল্লিবা মীশিংগীদমক অথন্নবা থবকশিং অমসুং রিসোর্সশিংগী থৌরাংশিং তৌবা। | 7.2.5. অঙাংশিংনা সবজেক্ত অদু করম্না তম্মী হায়বদুগা লোয়ন-লোয়ননা মখোয়না মমাংগী ক্লাসশিংদা তমখিবা অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা মথং-মনাও নাইনা কনসেপ্তশিং অমসুং চেপ্তরশিং শাগৎলগা লেসন প্লানশিং শেম্বা। |
| **দোমেইন 8: তম্বগী, তম্নবগীদমক অমসুং তম্বা ওইনা এসেসমন্ত** | | |
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **SD 8.1– এসেসমন্ত স্ত্রাতেজিশিং** | | |
| **এসেসমন্ত স্ত্রাতেজিশিং অমসুং তূলশিংগী মখলশিংবু মুন্না খঙবা** | **মহৈরোইশিংগী লর্নিং নীদশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা চূনবা এসেসমন্ত স্ত্রাতেজিশিং থনবা** | **লূপ, স্তেত অমসুং নেশ্নলগী থাক্তা এসেসমন্ত পোলিসিশিংগী জ্ঞান লৈবা** |
| 8.1.1. মহৈরোইশিংগী অহৈ-হৈত লেপ্পবগীদমক ক্লাসরুমদা য়েংশিনবা, ৱাহং-পাউহংবা, অমসুং নোতবুকশিংদা ইশিনবগী থবক (তাঙ্কক লোইশিল্লকপগী ৱাহংশিং) অসিগুম্বা স্ত্রেতেজিশিং শীজিন্নবা।<br>8.1.2. তিচিং-লর্নিং প্রোসেসশিংগী মনুংদা মহৈরোইশিংদা পঙ্খে থমদবা ৱাহংশিং হংবা। | 8.1.3. মহৈরোইগী লর্নিং নীদশিংদুগী মতুং ইন্না প্রোজেক্তশিং, প্রজেন্তেশনশিং, পোর্তফোলিওশিং, চাংয়েংশিং, ক্বিজ, সর্ভেশিং, কেস স্তদিশিংগুম্বা মেথদ ময়াম অমা চাং নাইনা শীজিন্নবা।<br>8.1.4. অপীবা হীরম অমগী মতাংদা মহৈরোইশিংনা কদায় ফাওবা নিংথিনা খঙলবগে হায়বদু পুথোক্কবা ৱারী শান্নবা হৌদোকপা। | 8.1.5. মরী লৈনবা পোলিসি দোকুমেন্তশিংদা পীরিবা অদুগুম্না ক্লাসরুমশিংদা মহৈরোইশিংগী অহৈ-হৈত লেপ্পবগী খ্বাইদগী ফবা থবকশিংদু চৎনহনবা।<br>8.1.6. ক্লাসরুমশিংদা তম্নবগীদমক অমসুং তম্নবা হীরম ওইনা এসেসমন্ত য়াওহনবা। |
| **SD 8.2– এসেসমন্ত দেতাশিং** | | |
| **এসেসমন্ত দেতাশিংদগী মহৈরোইশিংগী মরমদা নিংথিনা খঙবা ঙম্বা** | **তার্গেতশিং থম্নবা এসেসমন্ত দেতাশিংবু শীজিন্নে অদুগা লর্নিং প্লানশিং শেম্মী।** | **মহৈরোই/ক্লাস পরফোর্মেন্সকী অপূনবা শক্তম অমা শেমগৎনবা সোর্স ময়াম অমদগী দেতাশিং নিংথিনা লৌথোকই, অদুগা চুন-চানবা অরানবদু চুমথোক্লগা মহৈ তম্বদা শৌগৎপী।** |

| | | |
|---|---|---|
| ৪.2.1. এসেসমন্ত দেতাশিংবু ক্লাসরুম লর্নিংদা ময়ামগী ওইনা থেংনরিবা অয়েৎ-অপনশিং অমসুং অতোপ্পা কনসেপ্তশিংবু খঙননবা অমসুং ফোঙদোক্নবা তৌবদা শীজিন্নবা। | ৪.2.2. এসেসমন্ত দেতাশিংবু মহৈরোইশিংগী অখন্নবা লর্নিং নীদশিংদুগা চূনবা লেশন প্লানশিং অমসুং পেদাগোজিগী মওং নিংখিজনা শেমদোক্নবা শীজিন্নবা। | ৪.2.3. ইন্সত্রক্সন পীবা অমসুং প্লানিং তৌবগী ফগৎহনবা য়াবা লমশিংদু খঙদোক্নবা মহৈরোইগী মহৈ তম্বগী এসেসমন্ত ময়াম তৌরগা খোমজিল্লবা পাউশিংদু পূনশিনবা।<br>৪.2.4. ইন্সত্রক্সন পীবা অমসুং প্লানিং তৌবগী থবক্তা ফগৎহনবা য়াবা লমশিংদু খঙদোকপা, অদুগা অখন্নবা খূৎ থিংজিন্নবা প্লান শেম্বা। |
| **SD ৪.3- ঈ-পাউ ফাওনবা অমসুং ফীদবেক পীবা** | | |
| **মহৈরোইগী পরফোর্মেন্স দেতাগী মরমদা মহৈরোইশিং অমসুং মমা-মপাশিং অমসুং শেন্নবীবশিংগা পাউ ফাওনবা** | **মহৈরোইনা তৌথোরকপা পরফোর্মেন্সকী মরমদা মহৈরোইগী মমা-মপাশিং অমসুং শেন্নরিবশিংদা অখন্নবা ফীদবেক পীদুনা খঙহনবা** | **মহৈরোইনা মহৈ তম্বদা লমজিং-লমতাকপীনবা মমা-মপা ওইবশিং অমসুং খুনাই মীওইশিংগা খূৎশন্নবা** |
| ৪.3.1. মহৈরোইশিংদা মখোয়গী থবকশিংবু য়েংশিনবা নৎত্রগা মখোয়গী পাউখুমশিংগী মরমদা অমুক পাউহন পীবদা অখন্নবা অফবা ফীদবেক পীবা।<br>৪.3.2. স্কুলনা শিনবা পি তি এ মীফমশিংদা অঙাংশিংগী পরফোর্মেন্সপু মখোয়না ফংলকপা মার্কশিং অমসুং ক্লাসরুম পরফোর্মেন্স মতুং ইন্না মমা-মপাশিং ওইবশিং অমসুং শেন্নবীরিবশিংগা কূপ্পা খন্নবা। | ৪.3.3. মহৈরোই অমমমদা মখোয় মশাগী পরফোর্মেন্সতা ফগৎলক্নবগীদমক অখন্নবা তৌগদবশিং য়াওনা চাং নাইনা মচা থায়বা ফীদবেক পীবা।<br>৪.3.4. মহৈরোইদুগী মরমদা মমা-মপা ওইবশিংদা/ শেন্নবীরিবশিংদা অখন্নবা অমসুং মচা থায়রবা ফীদবেক পীবা। | ৪.3.5. মশামক অমসুং লেংমান্নবশিংগী মতীক-মগুনবু নৈনবা ঙমহন্দুনা মখোয়না তৌথোরক্লিবদুদা মমি তাহন্নবা মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা।<br>৪.3.6. মমা-মপা ওইবশিংদা/ শেন্নবীরিবশিংদা মখোয়গী অঙাংশিংনা য়ুমদা তম্লিবদুদা করম্না মতেং পাংগদবগে হায়বগী মতাংদা অখন্নবা অমসুং মুন্না খন্নরবা লমজিং-লমতাক পীবা। |
| **দোমেইন 9: মহৈ-মশিল তম্বদা তেক্নোলোজি শীজিন্নবা অমসুং পূনশিনবা** | | |
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **মহৈ-মশিল তম্বদা তেক্নোলোজিনা লৌবা থৌদাংবু মুন্না খঙই।** | **তিচিং-লর্নিং, এসেসমন্ত অমসুং ক্লাসরুম মেনেজমন্তপু শোগৎনবা আই সি তি তূলশিং শীজিন্নে।** | **মশামক্কী অমসুং শিনফম পূনমিন্নরিবশিংগী তিচিং-লর্নিংদা শোগৎপীনবগীদমক চূনবা তেক্নোলোজিগী রিসোর্সশিং শেম্মী।** |
| 9.1. অখন্নবা কনসেপ্তশিং তম্বীবগী মতীকপু হেনগৎহনবা ঙমগদবা চূনবা আই সি তি রিসোর্সশিং খঙদোকপা। | 9.2. তম্বীবগী থবকশিংগা লোয়ননা অহৈ-হৈত লেপ্পগী থবকশিংদু শেমদোক্লগা অওনবা পুরক্নবগীদমক হান্নগী লৈরিবা আই সি তি রিসোর্সশিংবু কান্নবা মওংদা চূশিন্নহনবা। | 9.3. মশামক্কী অমসুং লেংমান্নবশিংগী তম্বীবা-তম্বগী থবকশিংবু শোগৎনবগীদমক মশামক্কী আই সি তি রিসোর্সশিং শেমগৎপা। |

| দোমেইন 10: ক্লাসরুম কম্পোনন্ত অমসুং দাইনামিকশিং | | |
|---|---|---|
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **SD 10.1– শাফগদবা, য়োকখৎপীবা অমসুং ঙাক্লৌ পীবা ঙম্বা তম্নবগী ফিভম** | | |
| **শাফগদবা অমসুং পূম্নমক লৈরবা ক্লাসরুম অমা শেম্নবগীদমক ফেসিলিতি অমসুং রিসোর্সশিং শেমগৎপা** | **অকিবা লৈতনা মহৈরোইশিংনা মশাগী মোত ফোঙদোকপবু পূক্নিং থৌগৎপা য়াওনা, পূম্নমক লৈরবা অমসুং মতেং ওইবা তম্নবগী ফিভম অমা শেমগৎপা** | **শাফগদবা অমসুং পূম্নমক লৈরবা ক্লাসরুম অমা শেমগৎপদা মহৈরোইশিংবু য়াওহনবা** |
| 10.1.1. ক্লাসরুমগী থবক-থনা চথনবগী রুতিন অমসুং থৌওংশিংবু মফমদুমক্তদা শেম্বা। | 10.1.3. মহৈরোইশিংনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিংবু থন্নরগা শেমদোক-শেমজিন য়াবা ক্লাসরুম রুতিনশিং শেম্বা। | 10.1.5. ক্লাসরুম রুতিনশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা মপূ ওইবগী থৌদাং লৌবগা ইথিল পীনবা। |
| 10.1.2. মহৈরোইশিংগী মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌনবা, ৱারী শান্নবা অমসুং ঈ-পাউ ফাওনববু পূক্নিং থৌগৎলিবা তেকচাক লৈতবা ক্লাসরুমগী ফিভম অমা লৈহনবা। | 10.1.4. নোংম-নোংমগী থোক্লিবা থৌদোকশিং (খূদম ওইনা, থোয়রাং-থোয়শাওনবা, তাথি-তাওইনা তৌবা, অমগা অমগা থাজনবা অসিচিংবা) গী মরমদা মনীং তম্না মশাগী মোতশিং ফোঙদোক্লবা অমসুং থন্ন-নৈনবদা শরুক য়ানবা মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা। | 10.1.6. শাফবা, পূম্নমক য়াওবা, অমসুং চূশিন্নবা য়ারবা ক্লাসরুমশিংগী মমি তাহনবা য়ারবা অদুগুম্বা ক্লাসরুমগী চৎনবীশিংবু শেমগৎমিন্নবা। |
| **SD 10.2–ক্লাসরুম মেনেজমন্ত** | | |
| **ক্লাসরুম মেনেজমন্তকী খোঙথাংশিংগী লৌশিং অমসুং মখোয়বু শীজিন্নবা ঙম্বগী মতীকপু উৎপা** | **মহৈরোইগী লমচৎ-শাজৎকী দাইভর্সিতিবু খঙবা অমসুং মখোয়গী চন্নফম লৈহনবা** | **মহৈরোইশিংগী মরক্তা সেলফ-দিসিপ্লিন, লন্নাইগী থৌদাং, অমসুং লূচিংবা (রোল মোদেল) ওইবগী গুনবু শেমগৎপা** |
| 10.2.1. ক্লাসরুমদা কনাগুম্বনা মশাগী নিতি-নিয়ম অমসুং চৎনবীশিং শেম্বা অমসুং মহৈরোইগী লমচৎ-শাজৎপু য়েংশিনবা অমসুং তাঞ্জা চানা চুমথোকপা। | 10.2.2. মহৈরোইশিংগী লমচৎ-শাজৎকা মখোয়গী ফিভমশিংগা শম্নহনবা অমসুং চূননা পাউখুম পীবা। | 10.2.3. গনতন্ত্রিক ওইনা অনীংবা-অপাম্বশিংগা মহৈরোইশিংগা ইথিল পীনবা অমসুং মখোয় মশামক্লা অসিগুম্বা অনীংবা-অপাম্বশিংদুগী মরম পীনবা পূক্নিং থৌগৎপা। |
| **SD 10.3– কান্নবা মওংদা ক্লাসরুমদা ঈ-পাউ ফাওনবা** | | |
| **তোঙান-তোঙানবা ভর্বল অমসুং নোন-ভর্বল ক্লাসরুম কম্যুনিকেসনগী স্ত্রাতেজিশিংবু খঙবা ঙম্বগী গুন ফংবা** | **তম্বগী থবকসিদা শরুক য়ারিবা মী ওইহন্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ভর্বল অমসুং নোন-ভর্বল ক্লাসরুম কম্যুনিকেসনগী স্ত্রাতেজিশিং শীজিন্নবা অমসুং মখোয়দা পাউখুম পীবা** | **ক্লাসরুম কম্যুনিকেসন্দা হেন্না ফগৎনবগীদমক ঙাক্লৌ পীবা/লমজিংনবগী কন্সত্রক্তিভ ফীদবেক পীবা** |


| | | |
|---|---|---|
| 10.3.1. মীৎচানবা, ইঙ্গিৎ-ইরাংশিং, ৱা ঙাংহনবনচিংবা চূনবা ভর্বল অমসুং নোন-ভর্বল কম্যুনিকেসনবু উৎপা। | 10.3.2. মহৈরোইনা শরুক য়াবদা পুক্রিং থৌগৎনবগীদমক চূনবা ভর্বল অমসুং নোন-ভর্বল কম্যুনিকেসনগী পাম্বৈ কয়া শীজিন্নবা।<br>10.3.3. মহৈরোই অমমমগী নোন-ভর্বল কম্যুনিকেসনগী ৱাহন্থোক পীবা অমসুং তম্বীবা মতমদা কনাগুম্বা অমগী মশাগী ঈ-পাউ ফাওনবগী পাম্বৈশিংদা চূননা শেমদোকপা। | 10.3.4. কান্নবা ক্লাসরুমগী ঈ-পাউ ফাওনবগী স্ত্রেতেজিশিং চৎনহনবদা লেংমান্নবশিংবু য়েংশিনবীবা। |
| **SD 10.4- লোলগী দাইভর্সিতি অমসুং মলতিলিঙ্গুলিজম** | | |
| **লোলগী দাইভর্সিতি অমসুং মরী লৈনবা লোল (শিং)দা থঙ-হৈবগা মরী লৈনরুবা তৌদনা অঙাং পূন্নমক য়াওহনবদু উৎপা** | **তম্বীবা অমসুং তম্বদা মতেং ওইনবগীদমক ক্লাসতা লোল ময়াম শীজিন্নববু শিনফম পূনমিন্নরিবশিংদা শৌগৎপা** | **লেংমান্নরিবশিংগী মরক্তা তম্বীবা অমসুং তম্বদা মতেং ওইনবগীদমক লোল ময়াম শীজিন্নববু শৌগৎপা** |
| 10.4.1. ক্লাসরুমদা পারা তাক্লিঙৈ মনুংদা তঙাইফদনা পারা তাকপদা শীজিন্নবা লোল অমসুং মফমদুদা নম্না ঙাংনরিবা লোলগী মরক্তা হোংদোক-হোংজিন তৌবা। | 10.4.2. তোঙান-তোঙানবা মমারোল ঙাংবশিংনা তম্লিবা ক্লাসরুম অমদা শীজিন্নরিবা স্ত্রেতেজিশিংগী মরমদা লেংমান্নবশিংবু য়েংশিনবীবা। | 10.4.3. ক্লাসরুমদা থবক ওইনা পাংথোক্তুনা, ৱারেংশিং ইদুনা, লেংমান্নবশিংগী গ্রুপ দিসকসননচিংবা য়াওরগা হেন্না ফজনা তম্নবগীদমক মলতিলিঙ্গুল পেদাগোজিগী মথৌ তারিবদু উৎপা। |

## স্তেন্দর্দ 3: শিনফমগী থুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওথৎপা

| দোমেইন 11: লর্নিং নীদশিং | | |
|---|---|---|
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **লর্নিং নীদশিংবু থঙবা অমসুং মশাগী পায়রিবা শিনফম চাওথৎনবগীদমক পান্দমশিং থম্বা** | **স্তেকহোলদরশিংদগী ফংলকপা ইনপুতশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা শিনফম চাওথৎনবগী থৌরাং তৌবা** | **শিনফম পূনমিন্নরিবশিংদা শিনফম চাওথৎলক্লবগী খুদোংচাবশিং থৌরাং তৌবা অমসুং পীবা** |
| 11.1. চাওথৎলক্লবগী পাক-চাউরবা হীরমশিং ফোঙদোক্লবগী থৌরাংদু মশক থঙদোকপা। | 11.3. চাওথৎলক্লবগী হীরমশিং পীনবগীদমক এক্সন রিসর্চ নৎত্রগা অতোপ্পা প্রোএক্তিভ মেজরশিং লৌথৎপা। | 11.5. মথোয়গী লর্নিং নীদশিংদু থঙদোক্লবা তৌবদা অমসুং অসিগুম্বা নীদশিংসি ফংনবগীদমক চূনবা থবকশিং পায়থৎপদা লেংমান্নবশিংনা য়েংশিনবীবা। |
| 11.2. অথন্নবা লর্নিং নীদশিংগীদমক ৱার্কশোপশিং, ত্রেইনিংশিং, সেমিনারশিং, কনফরেন্সশিংনচিংবা থিরকপা। | 11.4. ৱারেংশিং, লাইরিক্কী তাঙ্ককশিং, লাইরিকশিং, পীয়র রিভিয়ু পব্লিকেসনশিংদা মশাগী ওইনা ইজবা অমসুং/নৎত্রগা ফোঙদোকচবা। | 11.6. লেংমান্নবশিংবু মেগাজিননচিংবগী আতিকলশিং ইবদা অমসুং এক্সন রিসর্চ পায়থৎপদা য়েংশিনবীবা। |

| দোমেইন 12: রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিস | | |
|---|---|---|
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিসশিং খঙলিবদু উৎপা** | **মশাগী তম্বীবগী থবক্তু শেমদোক্নবগীদমক রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিসশিং শীজিন্নবা** | **রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিসশিং তৌবদা থবক পূনমিন্নরিবশিংবু তেংবাঙবীবা/ য়েংশিনবীবা** |
| 12.1. মশানা তৌবা প্রাক্তিসকী অহৈবশিং অমসুং হৈতবশিংগী মরমদা খন্নবা।<br>12.2. মহৈরোই অমমমগী অহৈবশিং অমসুং হৈতবশিংগী মরমদা খন্নবা। | 12.3. মহৈরোইগী লর্নিং নীদশিংবু খন্নরকপদা লেসন প্লানশিং অমসুং ক্লাসরুম স্ত্রাতেজিশিংদা মমি তারকপদু চেদা চনশিনবা।<br>12.4. ক্লাসরুমশিংদা হেন্না ফবা তম্বীবা-তম্বগী প্রাক্তিস হোংদোক্নবগী পায়খৎপা খোঙথাং ময়াম অমা পীবা। | 12.5. রিফ্লেক্তিভ প্রাক্তিসতা থবক পূনমিন্নরিবশিংবু য়েংশিনবীবা।<br>12.6. চম্থরিবা লর্নিংগীদমক পীয়র সপোর্ত গ্রুপ অমা শেমগৎনবগীদমক থৌরাং পায়খৎপা। |
| **দোমেইন 13: লর্নিং কম্যুনিতি অমদা শরুক য়াবা** | | |
| **প্রোফিসন্ত তীচর** | **এদভান্সদ তীচর** | **এক্সপর্ত তীচর** |
| **স্কুলগী মনুং অমসুং মপান্দা তম্নবগী খুদোংচাবশিং ফংনবা তৌবদা শরুক য়াবা** | **মখোয়গী থিজিন-হুমজিনবা অমদি তম্লক্লিবা জ্ঞানদু কনফরেন্সশিং, সেমিনারশিং, নৎত্রগা ৱেবিনারশিংদা ময়ামদা লান্থোকপা** | **স্কুল মনুংদা লর্নিং কম্যুনিতি হৌদোকপা অমসুং শিনফম চাওখৎনবগী মীফমশিং শীনবা** |
| 13.1. স্কুলগী মনুং অমসুং মপান্দা ফংলিবা তম্নবগী খুদোংচাবশিং লৌমিন্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা সোর্সশিং শীজিন্নবা/ মখল-মখাগী প্লেতফোর্মশিংদা শরুক য়াবা।<br>13.2. পার্তিসিপেন্ত নৎত্রগা ওবজর্বর অমগী থাক্তা প্রোফেস্নল লর্নিং অমসুং ৱাহং-পাউহংববু শৌগৎলিবা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা শরুক য়াবা। | 13.3. স্তেতকী থাক্তা পাংথোকপা কনফরেন্সশিং, সেমিনারশিংদা মশানা হৈজরকপশিং, ক্লাসরুমদা তৌবা এক্সপরিমেন্তশিংনচিংববু চাং নাইনা মীয়ামদা ফোঙদোকপা।<br>13.4. জাতিগী থাক্তা পাংথোকপা কনফরেন্সশিং, সেমিনারশিংদা মশানা হৈজরকপশিং, ক্লাসরুমদা তৌবা এক্সপরিমেন্তশিংনচিংববু চাং নাইনা মীয়ামদা ফোঙদোকপা। | 13.5. লেংমান্নবশিংগী মহৈ তম্বদা মতেং ওইনবগীদমক ৱার্কশোপশিং, মীফমশিং, ত্রেইনিংশিং, সেমিনারশিং, কনফরেন্সশিংনচিংবা পূন্না শীনমিন্নবা।<br>13.6. থংনবা লৈরিবা স্কুলশিংদা ওঝা ওইরিবশিংগী পাকথোক-চাউথোক্লবা লর্নিং কম্যুনিতি অমা শেমগৎনবগীরোমদা থবক তৌবা। |

# 7. এন পি এস তি দা নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি (এন সি তি ক্যু) গী দিজিতল ইনফ্রাস্ত্রকচর প্লান





## এন পি এস তি দা তৌরিবা থবক্কী ওইবা য়াই হায়না হৌদোক্লিবা স্কোপকী কমপোনেন্তশিং

- **এন পি এস তি পোর্তল শেম্বা**
  ওঝাগী পুক্কে, তম্বগী পুক্কে, ক্রিদেন্সিএল মেনেজমন্ত, এন পি এস তি (মশামক্কী অমসুং মেন্তরিং তৌরবশিং)গী এসেসমন্ত, ইমপ্লিমেন্ত তৌনবগী এন পি এস তি দিজিতল স্কিম, ইন্সতিত্যুসন অমসুং প্রোগ্রাম মেনেজমন্ত, DIKSHA/NISHTHA গা লোয়ননা সেলফ-লর্নিং সর্ভিস, লর্নিং/ত্রেইনিং/সি পি দি গী থূদম চাংদমগী পুক্কে, দোমেইন অমসুং স্তেন্দর্দ থূদিংমকপু ওঝাশিংনা খঙবা ঙম্বগী চাং অদুবু হেন্না পাকথোক-চাউথোকহন্নবা ওঝাশিংগী ই-পোর্তফোলিওশিং শেম্বা, তোঙান-তোঙানবা খঙ-হৈবগী মতীকশিংদা মখোয়না ফংলিবা অমসুং উৎথোরক্লিবা অদুবু ফংবা ঙম্নবগী ওঝাশিংগী মেকানিজম, সেলফ-এসেসমন্ত তূলশিং, ওঝাশিংগী চেজনগী দেতাবেজ শেমগৎপা।
- **এন পি এস তি বু চৎনহনবা অমসুং য়েংশিন্নবগী সোফ্টৱেয়র**
  - স্তেত অমসুং জাতিগী থাক্তা এন পি এস তি চৎনহনবদু লেপ্তনা য়েংশিন্নবা সিস্তম
  - ওঝাশিংগী শিনফমদা লেপ্তনা চাওখৎপবু য়েংশিল্লিবা ত্রেকর
  - ওঝাশিংবু তাকপী-তম্বীরিবশিংবু পাউতাক পীনবগী দিজিতল প্লেতফোর্ম
  - শিনফম লেপ্তনা চাওখৎনবগী সেলফ-পেসদ কোর্সশিং
  - ৱেব অমসুং এপতা য়ূম্ফম ওইবা লর্নিং সোলুসন
  - নেস্নল রিপোজিতরি শেমগৎপা
  - ইন-সর্ভিস তীচরশিং
  - প্রি-সর্ভিস তীচরশিং
  - লর্নিং ইভিদেন্স ত্রেকিং তৌবা
- **কনতেন্ত মেনেজমন্ত অমসুং দেতা শেয়রিং**
- **দিজিতল মেনেজমন্ত অমসুং কনেক্তিভিতি**
  - পান্দম্নরিবা কাঙলূপ/স্তেকহোলদরশিংগা থূদক্কী ঈ-পাউ ফাওননবগী দিজিতল কনফরেন্সিং প্লেতফোর্ম

লাইয়েক 6. এন পি এস তি দা নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি (এন সি তি ক্যু) গী দিজিতল দেভলপমেন্ত প্লান তাকপা




**লাইয়েক 7. দিজিতল স্কিমা তাকপা**




**লাইয়েক 8. পাইলোত স্তদি ইমপ্লিমেন্তেসন তাকপা**

# উৎতুনা তাকপশিং (ইল্লস্ত্রেসনশিং)গী মমিং পরেং



| মথং-মনাও | লাইয়েক | লামায় |
|---|---|---|
| 1. | ওঝা ওইনবা শিনফমগী থৌরাংবদু তাকপা (তীচর রেদিনেস তাকপা) | 8 |
| 2. | শিনফমগী স্তেন্দর্দশিং (প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দশিং) অমসুং নিংথিনা থঙ-হৈবগী মতীকপু তাকপা | 14 |
| 3. | মরুওইবা মতীক-ময়াইশিং অমসুং হৌন-লোনচৎশিংবু তাকপা | 15 |
| 4. | লৌশিং অমসুং থবক পাংথোকপবু তাকপা | 16 |
| 5. | শিনফমগী থুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওথৎপবু তাকপা | 16 |
| 6. | এন পি এস তি দা নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি (এন সি তি ক্যু) গী দিজিতল দেভলপমেন্ত প্লান তাকপা | 35 |
| 7. | দিজিতল স্কিমা তাকপা | 36 |
| 8. | পাইলোত স্তদি ইমপ্লিমেন্তসন তাকপা | 36 |

# শম্না খঙনরিবশিং (এব্রিভিএসনশিং)

| | | | |
|---|---|---|---|
| ACR | Annual Confidential Report | এ সি আর | এন্যুল কনফিদেন্সিঅল রিপোর্ত |
| APA | Annual Performance Appraisal | এ পি এ | এন্যুল পরফোর্মেন্স এপ্রাইজেল |
| CPD | Continuous Professional Development | সি পি দি | কন্তিন্যুস প্রোফেস্নল দেভলপমেন্ত |
| DIET | District Institute of Education & Training | দি আই ই তি | দিস্ত্রিক্ত ইন্সতিত্যুত ওফ এজুকেসন এন্দ ত্রেইনিং |
| DPEP | District Primary Education Project | দি পি ই পি | দিস্ত্রিক্ত প্রাইমরি এজুকেসন প্রোজেক্ত |
| FLN | Foundational Literacy and Numeracy | এফ এল এন | ফাউন্দেস্নল লিতরেসি এন্দ ন্যুমরেসি |
| GoI | Government of India | জি ও আই | গভর্নমেন্ত ওফ ইন্দিয়া |
| ICT | Information and Communication Technology | আই সি তি | ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন তেক্নোলোজি |
| INSET | Inservice Education and Training | ইনসেত | ইনসর্ভিস এজুকেসন এন্দ ত্রেইনিং |
| JNVS | Jawahar Navodaya Vidyalaya Samiti | জে এন ভি এস | জৱাহর নভোদ্যা ভিদ্যালয় সমিতি |
| KVS | Kendriya Vidyalaya Sangathan | কে ভি এস | কেন্দ্রিয় ভিদ্যালয় সঙ্গথন |
| MoE | Ministry of Education | এম ও ই | মিনিস্ত্রি ওফ এজুকেসন |
| NCTE | National Council for Teacher Education | এন সি তি ই | নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন |
| NCERT | National Council of Educational Research & Training | এন সি ই আর তি | নেস্নল কাউন্সিল ফোর এজুকেস্নল রিসর্চ এন্দ ত্রেইনিং |
| NCFTE | National Curriculum Framework for Teacher Education | এন সি এফ তি ই | নেস্নল করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর তীচর এজুকেসন |
| NCTQ | National Centre for Teacher Quality | এন সি তি ক্যু | নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি |
| NEP 2020 | National Education Policy 2020 | এন ই পি 2020 | নেস্নল এজুকেসন পোলিসি 2020 |
| NIEPA | National Institute for Educational Planning and Administration | এন আই ই পি এ | নেস্নল ইন্সতিত্যুত ফোর এজুকেস্নল প্লানিং এন্দ এদমিনিস্ত্রেসন |
| NPST | National Professional Standards for Teachers | এন পি এস তি | নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স |
| NMM | National Mission for Mentoring | এন এম এম | নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং |
| PI | Performance Indicator | পি আই | পরফোর্মেন্স ইন্দিকেতর |
| PSTE | Pre-service Teacher Education | পি এস তি ই | প্রি-সর্ভিস তীচর এজুকেসন |
| RIE | Regional Institute of Education | আর আই ই | রিজনল ইন্সতিত্যুত ওফ এজুকেসন |
| RPL | Recognition of Prior Learning | আর পি এল | রিকোগ্নিসন ওফ প্রাইয়র লর্নিং |
| RTE | Right to Education | আর তি ই | রাইত তু এজুকেসন |
| SCERT | State Council of Educational Research & Training | এস সি ই আর তি | স্তেত কাউন্সিল ওফ এজুকেস্নল রিসর্চ এন্দ ত্রেইনিং |
| SSA | Sarva Shiksha Abhiyan | এস এস এ | সর্ভ শিক্ষা অভিয়ান |
| TEI | Teacher Education Institution | তি ই আই | তীচর এজুকেসন ইন্সতিত্যুসন |
| TEP | Teacher Education Programme | তি ই পি | তীচর এজুকেসন প্রোগ্রাম |
| TET | Teacher Eligibility Test | তি ই তি | তীচর ইলিজিবিলিতি তেস্ত |

# লাইরিকশিংগী মমিং পরেং


- Australian Institute for Teaching and School Leadership. (2018). Australian Professional Standards for Teachers. https://www.aitsl.edu.au/docs/default-source/national-policy framework/australianprofessional-standards-for-teachers.pdf
- Department of Education. (2021). Teachers' Standards: Guidance for School Leaders, School Staff and Governing Bodies. https://assets.publishing.service.gov.uk/government/uploads/system/uploads/attachment_data/file/1040274/Teachers__Standards_Dec_2021.pdf
- Education International and UNESCO. (2019). Global Framework of Professional Teaching Standards. https://issuu.com/educationinternational/docs/2019_ei-unesco_framework
- Government of India (2020a). National Education Policy 2020. https://www.education.gov.in/sites/upload_files/mhrd/files/NEP_Final_English_0.pdf
- Government of India. (2022b). The constitution of India. https://cdnbbsr.s3waas.gov.in/s380537a945c7aaa788ccfcdf1b99b5d8f/uploads/2023/05/2023050195.pdf
- National Commission on Teachers. (1986). The Teacher and Society: Report of the National Commission on Teachers-I.
- National Council for Teacher Education. (2009). National Curriculum Framework for Teacher Education. New Delhi: NCTE.
- National Council of Educational Research and Training. (2005). National Curriculum Framework 2005. NCERT.
- National Council of Educational Research and Training. (2019). Teacher's Self- Assessment. https://NCERT.nic.in/pdf/announcement/TSAR.pdf
- National Qualifications Authority. (2021). Teacher Standards for the UAE. https://tls.MoE.gov.ae/Downloads/SNSC%20standards%20teachers%20English.pdf
- The Right to Free and Compulsory Education Act. (2009). (Gazette Extraordinary), Ministry of Law and Justice, Government of India, New Delhi. https://righttoeducation.in/sites/default/files/Right%20of%20Children%20to%20Free %20and%20Compulsory%20Education%20Act%202009%20(English).pdf
- Verma, J.S. (2013). Report of the Committee on Amendments to Criminal Law, 2013. New Delhi. https://adrindia.org/sites/default/files/Justice_Verma_Amendmenttocriminallaw_Jan2013.pdf

By e-mail / Hand / Speed Post / Fax

**NCTE-Acad013/2/2021-O/o US(Acad.)-HQ** 31st August 2021

**OFFICE ORDER (Revised)**

It is decided to constitute a committee of the following members on National Professional Standards for Teachers (NPST) within NCTE. The committee would examine the relevance of para 5.20 of NEP 2020 and devise an appropriate strategy for developing & designing a National document on NPST.

| Sl. No. | Name & Address | Designation |
|---|---|---|
| 1. | Prof. CK Saluja, (Rtd). CIE, DU. New Delhi, | Chair |
| 2. | Prof. Anil Kumar Shukla. VC. KMCL University. Lucknow, UP | Member |
| 3. | Dr. Shakila T Shamshu. former OSD. DONE. MoE. New Delhi | Member |
| 4. | Prof Padma Sarangpani, TISS. Maharashtra | Member |
| 5. | Prof. Ranjana Arora, NCERT, New Delhi | Member |
| 6. | Prof K Ramchandran (Rdt) NIEPA. New Delhi | Member |
| 7. | Dr. Vishwajit Saha, Director CBSE. New Delhi | Member |
| 8. | Dr. Robin Chetri, SCERT, Gangtok, Sikkim | Member |
| 9. | Ms. Ramya Vcnkatraman. CENTA, Bangalore, Karnataka | Member |
| 10. | Shri. D K Chaturvedi, Under Secretary. NCTE. New Delhi | Convener |
| 11. | Dr. Parul. Senior Academic Consultant, NCTE, New Delhi | Co-convener |

2. Terms of Reference: -

i. Formulation of pragmatic aspects of the policy of NEP on NPST and Cross linking.

ii. Evolving guideline for the establishment of National Centre for Teachers Quality (NCTQ) under NPST at NCTE lig.. New Delhi.

iii. Structured plan of Action on Implementation of NPST and State grading formula.

iv. Review of data of digital consultations institutional consultation on NPST and developing strategy for National/ State level consultation for preparing this national document.

v. There are many countries which have the mechanism of National Professional Standards for Teachers (NPST). Mapping of NPST of these and some other countries and Development& Design of a draft framework on NPST.

vi. Extensive review of the inputs collected during the consultation period across the country will be done by the expert committee.

Cont. Pg 2/-

vii. The committee will then undertake a review of the areas of the teacher activities requiring common/current competency level of teachers. The committee will finally formulate the draft going through the several revisions before the NPST Draft is released for public review. Comments by the reviewers from amongst the stakeholders will then be used to prepare a final draft for notification.

viii. Preparation of a Self-Development Guide/Assessment Tools on NPST will also be designed for successful implementation of NPST. This will also include the teacher's professional role and responsibility in terms of quality because of the teacher's growing role beyond the classroom, achievement of standards as well underlying teachers's participation in decision to the education matter at the school/district/sale/national level.

ix. Ensuing Completion of all tasks within 3 months, so as to implement NPST from Academic Session 2022-23.

x. Any other point found relevant to NPST implemention as per the directive of NEP 2020.

xi. To hold discussion/meeting with other stakeholders whenever necessary. The Committee may consult/co-opt teachers / Principals/ Experts as when required.

xii. TA/DA/Sitting fees shall be paid as per the NCTE Rules. The NCTE would provide the secretarial assistance as per requirement.

3. This has approval of the competent authority.

**(Kesang Y. Sherpa)**
**Member Secretary**

Copy to-

1) PS to CP for information please.

2) Deputy Secretary/Under Secretary, GA/Academic/Accounts/EDP, NCTE.

3) Copy to all concerned.

4) Guard file.

गुरुर्गुरुतमो धाम

NCTE

কোপিরাইত

দোকুমেন্ত অসিগা লোয়নননা মচা খায়না তাল্লবা থৌওং পূন্নমক নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন মশানা পুথোকচবনি অমসুং মসিবু কোপিরাইতনা ঙাক্তুনা থম্মী।

হক পূন্নমক ঙাক্তুনা থম্লবনি।

Language consultancy and translation facilitated by
**National Translation Mission**
**Central Institute of Indian Languages, Mysore**

**নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন**
**(ভারত সরকারগী স্তেতুতোরি বোদি অমা)**
**National Council for Teacher Education**
**(A Statutory Body of Government of India)**